Regd. No. RN 34203/79 New Delhi Kangleikhol No. 74



KANGLEIKHOL কংলৈখোল

YEAR OF PUBLICATION SEPTEMBER 1987 LANGBAL 3384

মনাহৈবী লাইনীং, পুন্সিরোল, মৈতৈ কাংলাব, পুকিয়ান হলা, ঈবাং,
কেইনুসংবেল অমত্র ভাইব মনাই পুন্সিকুমদী থাগী চেকোং

- মনাহৈবী লাইনীং কন্নাব ভাক্লিবগে
- পাংকক্লন ঈপুথা ইবেনবো তোমলেকপ
- মিংন তম্পা ইপোক সি, তি, পবন এমাগী মঙ্গম ঢাকবি
- নিংথৌ ভংবজ চহি মং মুরে
- কুন্দমঙ্গী ব্রাতং-পাউখুম
- লৈপাক মান পুংওইনবনি
- তিলো মংজেল
- পুয়া মাবীদ থাংজো:

ঙ ঙিন ঙন ঙ
এংঙেমমু নোংগ ঙিমা ঙ
নোং চউ লাকমু
লোপাংক খুমুন মনাংক
লংগী নাতি লাকমু
চৈতন্য খুমুন মনাংকে।
ঐথোয়বন হয়েং চাউরগ
চাউব বাঙোল কারগ
সজেন থোংগী থোয়াইদ
সম্মু তোংহুম লাকপদ
ঈমা নংমু কাউজরোই।
হা ঈমা ঈমা ঙ।

মসি মীহৌরোনগী মারীনি
মাঙ্গনব মাঙ্গন্দবগী কাওব
ইমালোল নৈনরসি
হুইত্রি পামগী
ঈ কংসিল্লকপ, মনাহী
চৌম কাংবৈ, কংলৈখোল মরুপ
তাংলব অনি সুত্রব পুন্সি অহম মাঙজেত্র
—অমিনচিংব।

ঈশাম মেহৌরো নাংচিং মৈতোঞ্জ ইহুদিবনী লৈতবা থাবী ঠৈবক্লা।

থৌসিনকোনগী ঈ-পাউ

+ কংলৈপাক রেফফল পাংথোক্কদৌবি :– দিসেম্বর তাংচা ৩১,১৯৮৭ ইং, অসিদ সনাই পুন্সিফম, কংলৈপাক থৌসিনকোন, কংলৈ-পোল, সনাই কাংলোন সিন্দমসং, অমসুং সনাই এদভেনচর ইউনিংন সিন্দুনা "কংলৈপাক রেফফল" পাংথোক্কদৌরি। রেফফল (লোত্তেরি) অসি লমদমসিদ ইহান হানব ওইনা সনাই পুন্সিফম ইংখোলদ লিংখৎলদৌরিব 'সনামহী মিসন স্কুল' অসিগী সং সানব অমসুং কংলৈপাক থৌসিনকোনগী সিলভর জুবিলি থৌরম পাংথোক্কদৌরিব অসিগী মতেংগীদমক্তনি। তিকেৎ মমল লুপা ১০/ নি, ইরৈপাক মচাসিংন কংলৈখোল সংলেন, আর,এম,সি, রোদ, মযাই সংলেন তেরা অমসুং এজেন্তসিংদগী তিকেৎ লৌথোকয়ু। অহানব মনা-মারুতি কার অমা, অনিসুব-মমহা কার, এস্তা—১০০ অমা, অহুমসুব-কাইনেতিক স্পার্ক অমা অমসুং পুক্কি চিংসাগ্নখ্রাই ওইরব তোঙান তোঙানব মনা ৩০ অমগা থমজরি। 'সনামহী মিসন স্কুলদ' তেংবাংবিয়ু লোয়নন মনাসিংসি অদোমগী ওইবনি।

+ চুরাচান্দপুরদ থৌসিনকোনগা মীহুৎসিং :—হৌখিবা তাংচা ৬-৯-৮৭ ইং, নোংমাইজিং নুমিত্তা চুরাচান্দপুরদ লৈব খুমুজাম্ব মীতৈ লৈকাইগী মীতৈ ইনাৎ পামজব মীওইসিংনা সিন্দুনা মাইকে ডাকপগী লাইসংদ মীফম পাংথোকখি। থৌসিনকোনগী মীহুৎসিংগী পাউখুম পীবী-রকপদগী প্রো: কাংজীয়া, কংলৈখোল খোরিলাংব ওইবীরিব উজান লুচিংবীহুন মীফম য়াওখি। থৌসিনকোন ইরাৎ পিবা কৈচা চাউবীনা ইরাৎ থৌরম পুবীখি অহুগ উজা কাংজীয়া অমসুং নিংথেম, কংলৈখোল তেংবাং খোরিলাংব ওইবীরিব অনিনা মকুৎইবা রাফম কয়া মীফমগ মরী লৈনন চাংবিখি। +

KHORIROI SANGLUP
(Editorial Board)

KANGLEIKHOL

Office of the Kangleikhol

(Regd No RN 34203/79 New Delhi)
R.M C Road, Naga Mapal, Imphal
Pin : 795001 The largest circulated
Journal of its kind in the North East
Region of India.

সনামহী লাইনিং কনান ঙাক্লিবগে

সনামহী লাইনিং চহি লিসিং কয়া কাংলৈপাক অসিদ হিংলক্লি। কংলৈপাক্কী বাংমদ লৈব লৈপাক কয়াদ অমদি ভারতকী বাংমদ লৈরিব লৈপাক কয়াদ সমামহী লাইনিং হিংলি। মীওইববু চহি লিসিং কয়া মঙাল পিহ্নুন, পুক্লিরোন পিহ্নুন লাক্লিব সনামহী লাইনিং অসি থাগ্নলদি সনা কোন্নুংগী লোয়্পংসিংন ঙাক্তুন লাকথি। চৎন কাংলোন পুন্নমক লৈচংক লোয়্ননন (ইথিকেল কোদসিংগ লোয়্ননন) সনাকোন্নুংদ ময়ায় সংলেন ওইহ্নুন ঙাক্লকই।

অসৈ-অমাই-য়োইরেন-অমেৎ

সনামহী লাইনিং অমম্নুং মহাক সাগোন্নব কাংলোনদিং অসৈ-অমাই-য়োইরেন-অমেৎ হায়রহ্নুন লৈরকপ লোয়্নসং ৪ অসিন চেৎন ঙাক্তুন লৈরকথি। লাইগী মিংথৈ, লাইরোল ঈসৈ, পেনা চৈজিংগী সৈরোল সৈথা, হয়াউ ইসৈ কয়া লাইনিং লম্বী অসিগী চৎনলম্ হৌনবীসিং অসৈ লোয়্নসংন ঙাক্লকই। অমাই লোয়্নসংন ঈয়াৎ-ঈসোল, সনামহী লাইনিংগী মিংথৈ কাংলোন কয়া ঙাক্তুন লাকথি। মায়কৈ কয়া য়াওন অয়াবব থাকী খুদা কয়াঙাক্তুনা য়োইরেলসংন চাহি লীসিং কয়া হিংলকথি।

অমেং লোয়নবগী লাইনিংথৌ চহুমাসিং, মাইবীসিং কয়াম লাইপাউ চেন্দুন, লাইপাউ কাংলোন ঙাক্ন লাকখি। লোয়নসংসিং অসিন নিংগো কাংলোন, সাজেল, পুসেল, মাইবরোন, পুকিংলোন, পুন্সি মহৈ য়ানবগী মতাম কাংজবগী লাইনিং কাংলোন কয়া ঙাক্লকই।

হৌজিক কনান ঙাক্লিবগে

মীয়াম খঙনরিবদি—সনাকোন্থং অসি হৌজিক লৈরি, গোবিন্দ তেম্পল বোর্ড হায়না মাইবা মাইবী কয়া অম কনসিন্দুনা লিংথুন লৈ অমদি সমকাননগী মীহুৎ য়াওনা সনামহী তেম্পল বোর্ড হায়বা অম লৈ হায়বা-সিনি। থায়নদি সনাকোন্থংদমক লৈরম্মী, হৌজিক্তি লায়সং ৩ লৈরে। সহুক ৩ লোম য়েম চাওথংলককম থোক্লে ধায়বসি অচম থনকম থোকপ য়াথলনি।

সনা কোন্থংনা ঙাক্লিবরা ?:—সনাকোন্থংদ অসে, অমাই, য়োইরেন, অমেং ৪ অসি মপুং কান থবক ওয় লৈরে। উমংলাই হরাও-বগী থৌরমকাওব ইপু পুরে, গোবিন্দ তেম্পল বোর্ডকী মাইবা মাইবী লিংকঅরাব পুম্নন লৈ। অথক—অহৈ, উজা নাইহুন সনামহী লাইনিংথু নিংথৌন মতম মাবতৌ অমতগু সনাকোন্থংদ লৈরে। নৌম মেকমংজব হোংনবগু পুনাং চাওগিনব ওমদে।

গোবিন্দ তেম্পল বোর্ডনা ঙাক্লিবরা ?:-গোবিন্দ হায়ব য়াহৈ অসি মীয়ান লাইগী মমিংনি। মিয়ান লাইনিংবু কোন্দুন চেংব থবম মপুং ওইব গোবিন্দ তেম্পল বোর্ডনা সনামহী লাইনিংগী লাই হরাউ-বগী থৌরম অয়াম্ব পাংথোকলি। লোয়সং অসিগী মাইব মকোক, পান্দিং থমিং লৈয়িবসিংসি বৈষ্ণব লাইনীংগী চন্দন থীরী, সীরী থিরী, সাপা থাই, চন্দনজৈন সাংন য়াংলি। অতুগ সেল ভায়বগী লখীম সনা-মহী লাইনিংগী লাই হরাউবন মপুং ওই। অসিত নতম সনামহী

লাইনিংগী থৌরম কয়াসু চংলি। মাইবীসিংনসু মীতৈগী চংনবী পকলে নমসামিচিংব থরবু ঙাকলি।


গোবিন্দ তেম্পল বোর্দকী পন্দিৎসিং বৈষ্ণব ওইব ঙাক্তনি। মখোয়না সনামহী লাইনিং লেংন চত্তবনিন মীগী সুমাং কয়াম ফজন সিং-শিন্নকদগে থক্তদে। লৈপাক্ন য়ানিংব রাকম নত্তে। গোবিন্দ তেম্পল বোর্দকী পন্দিত্ত অমদি সনামহী লাইনিংগী ইমোইনু ঈরাৎপগী থৌরম-কাওব তৌহন্দনব ককসাবী সাবদ য়াওরি। মচিন্নু নোংম পানবগী সনামহী লাইনিংগী চৈরাউব অসেংব অসিকাওব সীংনদ্রন চরক পূজা হুমিত্ত সনামহী লাইনিংগী লাইকম কয়া থৌরম তৌহল্লি।

মসি হায়রবদ সনামহী লাইনিংগী খোংজং থিলহন্নব অকায়ব শিনব থোওইন লৈরব গোবিন্দ তেম্পল বোর্দ ওইন লৈপাক মীয়ামদ উহল্লে। কংলৈচাসিংগী চংনবী ঙাক্ন লৈব উল্লে।

সনামহী তেম্পল বোর্দন ঙাক্লিবরা ?: সনামহী তেম্পল বোর্দকী মপাঙ্গল পিদে। লাই হুরাউব পুরমকী মপাঙ্গল পুরমক লৈফম থোকপ বোর্দ অসি মপাঙ্গল লৈতদ্র ছিংলি। সনামহী লাইনিং লেংন চত্তব মীওই কয়া বোর্দ অসিগী মেম্বরসিংনি। "মসি ভারতকী লৈবাক-লোম শিন্নিব সেকুলরিজমগী পথাপক চানব্রিবরা?" হায়ব হংনিংগনি, হংনরি।

পাঙ্গল পিদব, সিংলু য়য়ালগী মওংদ লেব বোর্দ ওইথিবন কয়া য়ান্ন থবক থৌরম চথব য়াগদৌরিবনো, কয়া য়ান্ন হোৎনব ওমত্রবগে হায়ব ৱারী নৈনরুরবদি সুপ্রগী মমিংতমক ওইরি। কাংলোন অমত্তগী নাথে লোয়ব কাংলম উহল্লকপ লৈল্লি।

পুরমক অসি লৈপাকী লাইপক থীবনি। +



লাইনীং লাতম

লাইনীং নৈনসং সলাই পুন্সিফম

পাক্তক্লন

ইপূধৌ ইবেনধৌ তোংলকপ

অমম থাজরা? কাংলোন নাইবরা?

৯ সুব সরুক

ইপুধৌ ইবেনধৌ তোংবগী নৈনব পরিংদ মালেমসিগী মীহৌরোন্দ মমিং লৈপ্রব নোম্রেদেমসকী লাইপাউসিং চিথব য়ারোই। লাই তোংবসিংগী লাইপাউদ সুকখণ্ড খণ্ডদব কবুই লোন, তাংখুললোল, কবোলোল অমদি অরিব লোলসিং ভাংলকপগী মতাং কয়া চেনব য়াত্রবখূদম ভাক্তনি। অমুম মালেমসিগী মীহৌরোন্দ য়াওরিব লুইস ১৪, মেরি এন্তোনেত্তি, নেপোলিয়ন অমদি নাজীগী লুচিংব হিত্তলরনচিংবগী লাইকাও পিথিব নোম্রেদেমসকী ফোংদোক্লব লাইরিক কযাদস্থ ফ্রেন্সলোল, লেতিন, গ্রিক অমসুং অতৈ লোল কয়াগী রাহৈ রাতা পুমতোৎ তোংলগ ইরম্মী। নক্লব লোলসিংগী মমিংসিং অসি লাইপাউ চেনব মতমদ তোয়ন ভাগল্লি। সুকখণ্ড খণ্ডদব লোল কয়া চুম্ন লান্দন সিজিন্নরকই। মসিমক্তস্থ লাইপাউ চেনবসিংগী কাংলোন অসি খিজিনগদব, তরাই তরাই লৌরোইদব অম ওইহল্লি।

মখোয়না সিজিন্নব পাম্বৈসিংগী মমুংদ "নুংসেল কাংলোন" হায়বসি অমনি। কংলৈচাসিংনা 'নুংসেল কাংলোন' সিজিন্নরম্ব অসিমক মালেমসিগী অতৈ লৈপাকসিংদসু কাংলোন মাইন সিজিন্নরম্মী। মীহৌ-রোল্দ ফাওরিব লাইপাউ পিব নোঙ্গ্রেদেমমসু 'নুংসেল কাংলোন' সিজিন্নরম্মী।

নুংসেল কাংলোন

'নুংসেল কাংলোন' হায়বসি অরংব, মমি তাব পোৎ নত্রগ মহি সিজিন্নদুনা হৌখিব নত্রগ হৌজিক হৌজকী খঙহৌদ্রব থোথোক নত্রগ তুংদ থোরকদব থোথোক খঙনবব পাম্বৈ অদুবুনি। লাইফাও পিব কংলৈ-চাসিংনা নুংসেল কাংলোনগী পাম্বৈ ওইনা সকয়েং নুংসেল, সেল, অরংব অচা থাউ, ঈসিং, খুজিল মমায়, য়েরূম মপুম, নোংপোক ওমব লা লাতোন তেংকোৎ অসিনচিংব সিজিন্নরম্মী। মালেমগী অতৈ মফম-সিংদসু গ্লাস, সেনজেং, কপ, নুংসেল খুজিল মমায়নচিংব সিজিন্নরম্মী। করিগুম্বদ অকনব থোৱায় পানব খরগী সরু সিজিন্নবসু লৈ। মুঙভৌগী অরংব মমায় অদুনা লাইফাও পিনবগী পাম্বৈ ওইনসু চৎনৈ।

নুংসেল কাংলোন্না করম্না খঙই ? :—কংলৈচাসিংগী মরক্ত অযাম্বনা সিজিন্নব নুংসেল কাংলোন্দ 'লাইরোল' অম সোন্নগ মসা অদু কাংলোন চুম্না পুক্লিং চোইথোক্তুনা পাম্লিব লাইফাও অদু ফংদ্রিবফাওব হুম্ন হুম্ন হোৎনব অসিনি। খুদম ওইনা—সনা খর হুরানথ্রে, কনান লৌরিবনো খঙনিংদুনা নুংসেল কাংলোন য়েংলে, অচাথাউ খর অসে ব তেংকোৎ অমদ হাপ্লগ কাংলোল্লোয় অমনা লাইরোল সোনগনি অদুগ অপাম্ব-মিহৌব চাং হেন্না লৈত্রিব নহা অমদ য়েংহন্লি. য়েংলিব নহা অসিন সনা হুরাল্লিব মী অদু থাউ অদুদ উব ফংই। মীসক অদু খঙলব মতুংদ থিগৎপগী থোৱাং তৌরে। মমৈথংদ সনা অদুগ কোম্নন মী অদুমক ফারে। মসিদ নুংসেল কাংলোন অদু লোইরে। অসিগুম্ব থোথোক কয়া মিৎন উবদ তোয়্ন থোকই।

মসিদ নৈনব য়ারিবসি লাইরোলন মী অমন সোল্লগ য়েংবন অতোপ্প মরী লৈনদ্রব মী অমদ তোপ্প য়েংহল্লগ উরিবত্থনি। য়ুম্মুহুমক্ত য়েংজবদস্মু উহনব অসি তরাই তরাইব নত্তে। লাইরোল সোল্লগ সোম্লিব মী অত্থুন হায়রকপস্মু লৈ। অত্থুবু মীয়ামগী থাজব চিংসিনব ঙম্লিবদি য়েংনিং-লিব মী অত্থুগী মমিংন উজব ঙমহনব অত্থুনি। থৌথোক অত্থুন অচুম্বস্মু ওইরম্লব মতুংদ মী অত্থুন 'মুংসেল কাংলোন' অসিবু থাজরোইদবগী মরম লৈত্তে। মপুক্লিং পেলহনস অত্থুনস্মু থাজবগী চাং অমুক্ত হেনগৎহল্লি।

চুমথ্ংব থৌথোক কয়া :- নোংম সলাই পুন্সিফম সংলেনগী মুংসেল কাংলোন হৈব মাইব অমদ গারি থেংজিল্লম্বগী য়েংননব কাংবু অম লাকখি। মিনি বস মপুগী কাংবুনি। মখোয়গী মিনি বস অসি তাতা ত্রক অমন স্মুম খামত্থুন লৈরিদ্দেদ থোমগাইবম্লগ, যাম্ন থিন সোকহল্লম্লগ মুংদাং অম চেনখিবগী য়াফম ওইরম্মী। তাতা ত্রক অত্থু থঙনিংত্থুন লাক-পনি। সলাই পুন্সিফমগী মাইবন মুংসেল (সকয়েং মুংসেল) অম নিংথিন চামথোক্লগ তাইরেন মনান ঈসি দ লুপ্পগ মুংসেল কাংলোনগী লাইরোল থম্ন লৈবগী মস্মু দগী অম্ন থল্লগ সোল্লি। অত্থুগ তাইরেল মচুম অত্থুন মুংসেল মমায অত্থুদ খিক্লগ মিনি বস মপুত্থুদ য়েংহল্লি। মহাক্ল য়েংজবদ থোম্জিল্লম্ব তাতা ত্রক অত্থু তুরেল খোঙম্নুং অমদ থোথরগ চামত্থুন লৈরিবত্থু উখি। নম্বরত্থুদি পিকমন্দুন লাকসিনব ঙমখিদে। অত্থুবু য়াম্ন থুন খোঙম্নুং অত্থু মানব মফম ২/৩ দ চত্তুন থিগৎপদ থেংনত্থুন মরী মথোঙ থিনরকপদগী অচুম্ব ওইবমখি।

অত্থুবু থৎনম-চৈনব, লমন খুম্ব অমদি মুঙাইনদবগী থবক তৌনগদব ওইরবদি সলাই পুন্সিফম্ন অথিংব পিব মাংজোনন থম্নখিব মরম্ন কল্লিমত্ত কাম্ননদন থৌথোক অত্থু লোইসিনখি। থৎন-চৈনব থোক্লনব মরম্ন কাংলোন অসিগী অথিংব কয়া মফম পুম্নমক্ত থম্নরে। মরমদি অচুম্ব অসেংব ওইরমত্থুন ফত্তব তৌরিব কাংবু অত্থুন য়েংলিব মীসক অত্থুদ থঙহন-বগীদমক কিহনব কয়া তৌনরকপদগীনি। অসিগুম্ব ঈসিংদ য়েংব, থাউদ



মসি মীহৌরোনগী ৱারীনি
(নিংথৌবু লাইয়িংথৌ কৌব হৌব)



মিৎন উন পাল্লিব নিংথৌ অম্বু 'লাইয়িংথৌ' কৌহুন 'খুরুম লৈমাযতৈ' কৌব খুরুম্ব মখল অসি সিজিন্নহুন নিংথৌ উবদ পুনেম্ব অসি মমাংঙৈদ নিংথৌ অমদ তৌনরমদে। খ্রি· চৈসীং ১৬০৮ দ ঈনিংথৌ খাগেম্বন পানব থোংবম মংসান চৈথাব কুমদগী হৌদোকখিবনি।

খুরুম্বগী মওং কযা লৈ। 'খুরুম লৈমায়তৈ' হায়ব খুরুম্বগী মওং অসি খাগেম্বগী মমাংদগী লৈরক্লব খুরুম কাংলোন অমনি। অদুবু মীদ কাংলোন অসি সিজিন্নরমদে হায়ন লাইরিকসিংদ ফংই। লাই খুরুম্বদ সিজিন্নব মখল অমনি খুরুম কাংলোন মখল অসিমু থোংব মংসান চৈ থাব কুমসিদগী খাগেম্ববু খুরুম্বদ সিজিন্নখি। খুরুম্ব মখল অসি তৌজরব লৈপাক মচা (সিতিজন) খুদিংমক্ত নিংথৌ খাগেম্বন ললবুসু পিবিরম্মী। খুরুম্ব মখল অসি হেক তৌরবগ লল পিরিবসিনদি নিংথৌ খাগেম্ববু লাই ওইন, লাইগী থাক্ত খুরুম্বগী ৱাথক্লোন অদুনি হাযব তাকই।

মবম :—নিংথৌ খাগেম্ববু 'লাইয়িংথৌ' হায়নসু কৌনব, লাই খুরুম্বদ সিজিন্নব 'খুরুম লৈমায়তৈ' হায়ব খুৎথোইরুম অসিসু সিজিন্নরিব করিগীনো? মবম খর লৈকম থোকই। (1) লাইনিংথৌ সনামহীন খাগেম্বগী মচা ওইন মতম খর সাক্লোংলম্মী, লাইপাউ চেল্লগ সনা সংগাইগী য়ুম য়াংলেন হোৎথায়রগ নোংথক্ত পায়থকুন মাংখি। (11) মাক্ত-চৌসিংদ তমহুন সনামহী লাইনিংগী অৱাংব থাক্তী লাইনিংলোয় অমসু ওইব ওমখি। +

য়েংবা, য়েরুম্ন য়েংব, না নাতোন্দ য়েংব কয়াগী তসেং তসেং থোকপ্পবা থৌথোক কয়া লৈরি।

নোস্ত্রেদেমসকী নুংসেল কাংলোন :. নোস্ত্রেদেমস খ্রিঃ ১৫০৩ — ১৫৬৬ দ ফ্রান্সত পোকখিবা মুংসেল কাংলোন য়েংব অফাওবা মীহৌ-রোম্ন সৰখওবা লাইপোক অমনি। থা থংবা ফ্রান্স পুম্নমক প্লেগ লায়নান তোরা তুন সিনরক্লবা মতমদ ওইজবা পুম্নমক থাদোকুন প্লেগন নারবা কযাগী পুন্সি কনখিবা অফাওবা মাইবা অমস্থু ওইরম্মী। মালেমসিগী থোথোক কয়া মাংজোনন হায়বা লাইরিক তাংকক ১০ থোক্ল ফোংদোক্লম্মী।

(১) লাইপাউ : (i) নোস্ত্রেদেমসকী লাইপাউ অমদ নিংথৌ লুইস ১৪ অমদি লৈম এন্তোইনেত্তিগী চেনবা - ফাব – হাংখিবগী থোথোকপু মাংজোনন ইথোকখি। (ii) চহি কয়াগী মমাংদ ইতালি লৈপাক্কী মনাক্ত নেপোলিয়ন (অচৌবা লৈপাক মপু অম) পোক্লকনি হায়বগী লাইপাউ পিরম্মী। অচৌবা লৈপাক মপু অসিগী লৈখা তাগদবা মওংস্থু পরেং ৪ গী লাইপাউ সৌবং অমদ মাংজোনন ইত্তুন হাপ্পন থনমখি। (iii) নাজি লুচিংবা হিতলবা পোক্ত্রিঙেগী মমাংদ (চহি ৩০০ গী মমাংদ) লুচিংবা অসি ফাওরকনি হায়রাম্ল। মমিংফাওবা 'হিস্তর' হায়দুনা য়াম্ন নক্ল পল্লম্মী। অহৌবা ময়েক অমস্থুং আরোইবা ময়েক 'হি'....'র' অনি অসি মাগী লাইপাউদ য়াওরম্লবনি। মসাক্কী লাইপাউগী অরোইবা সরুক্কী ইংলিস হাহম্বোক অদু অসিনি—" Beast wild with hunger will cross the river, the greater part of the battlefield will be against Hister." " . ইথৌলাংবন ঙাওরবা সা ময়াম্ন তুরেলসিং লাম্নরকনি, লানফম অস্থুগী অয়াম্ব সরুক্ক হিস্তরগী মায়োক্ত ওইগনি।"

(2) নৈনবা :– তুংগী য়া হায়বদ অহৌবা য়াহৈ, অরোইবা ময়েক্ল-চিংবদগী পংক্লপ ক্লপসিনবা হেক য়াদে। হিস্তরদি হিতলরদ য়াম্ন নক্লে।

ফুরেল ময়াম লানবশী য়াইহেন মালেমগী অচৌব লানজাওবু খঙহল্লি। অশুম্ব নৈনবদ হন্দোকপ অম চংলিবসিদি ফুংগী লাইপাউ পিবশী হৌনবী কাংলোম্লি।

(3) নোস্ত্রেদেমসকী থুদক্ত পীব লাইপাউ : (i) নোস্ত্রে-দেমস নহা ওইরিঙৈদগী লাইফাও পিব হৌরকই। মহাক্ক নোংম ইতালিদ চংলিঙৈদ ফেলিস পেরেত্তি কৌব লাইনিংব অম পুন্সিগী অহানব ওক্লবদ 'হিজ হোলিনেস' হায়ত্তুন থুকমখি। মহাক্ক লাইনিংবগী মকোক অমদ তৌফম থোকপ ইকাই খুম্নব অত্থু তৌবনি। মতমত্থুদ ইচম চম্ব ফেলিস পেরেত্তিন ওকখি। অত্থুবু মমৈথংদ খ্রিঃ ১৫৮৫ দ ফেলিস পেরেত্তি অসি "পোপ সিক্সতস—৫" ওইরকখি। মহাক্ক পোপ ওইরগ মতমদ না-স্ত্রেদেমসকী ইকাই খুম্নখিব থীথোক অত্থু চুম্লকপদগী মতমত্থুদক্তা মহাক কনানো হায়বত্থু খঙখি। (ii) ফ্রেন্সকী নোবলমেন অমন নোস্ত্রেদেমসপু চাং য়েংনিংবদগী মুমিদাং অত্থুগী চারা অম লাংগদব অত্থুদ ওক অমুব ১ অঙৌব ১ ওক ২ লৈবত্থুগী মনুংদগী করম্ব চাগদগে হ'লম্মী। নোস্ত্রে-দেমসন 'ওক অমুবত্থুন মুমিদাংগী চারা ওইনগনি অঙৌবত্থুন কৈসালন চাগনি' হায়ত্থুন খুম্লম্মী। মহাক্কী য়া অত্থু লালহম্নব অঙৌব ওক অত্থু ওইন হাৎলগ মুমিদাংত্থুগী চ'রা লাংউ হায়ত্থুন চাথুম পু'সিংদ যাথং পীরম্মী। চারা লাংবসিংন য়াথংত্থুগী মতুংইন্ন ওক অঙৌবত্থু হাৎলম্মী। মুমিদাংগী চারা চাবদ নোস্ত্রেদেমসপুস্থু য়াওহল্লম্মী। নোবলমেন অত্থুন নোস্ত্রে-দেমসকী মমাংদ 'ঐথোযন চারিবসি করম্ব ওক্নো ?' হংলম্মী। অসিল অরাংন 'ওক অমুবত্থুনি' হায়ন খুমলকখি। অঙৌবত্থু হাৎলগ থোংউ হায়রগ করিগীনো ?' হায়ন চপথৎপদদি ওক অঙৌবত্থু মকু খোল্লগ সেম্নব থমলিঙৈদ মুমদ য়োকপ কৈসালন চেন্দুনে পুথ্রগ চাথোকখিবদগী অমুব ওক্ক ওইন হাংলগ থোংব ওইরমলে। থুদক্ত নেস্ত্রেদেমসকী লাইফাও অত্থু চুমলে হায়ব খঙখি। ফ্রেন্স নোবলমেন অত্থু হায়নিংঙাই লৈতন ওকখি।

তৈনব ঃ—নোঙ্গ্রেদেমসকী লাইফাও অসিদ 'চিংসিল্লগ উব' 'তুংগী ৱা, খুদক্কী ৱা, হৌরেন হয়েংগী ৱা চিংসিল্লগ উব" অম য়াওরি। অসিগুম্ব চিংসিল্লগ উব ঙম্ব মীবু কংলৈরোম্ম 'চিংউ' হায়ৰ মিংথোল অসি পিরম্মী। চিংউ খোংনাংথাব, চিংউ অপোইননা মচা মায়চৌ, চিংউ পোইরৈতোন অসিনচিংব হায়নৱিব অসিনি। মসি তৱাইব থবক নত্তে, থওবদ লুব কাংলোম্নি হায়বদি চুম্মী অদুগ চিংসিল্লগ উব ঙম্বগী মীওইবগী পুক্লিংগী পাঙ্গল অসি লৈতেহায়বদি কনানম্ম হায়ব ঙমলোই। 'কংলা সা মমাংদ অঙৌব মকোক তারনি' হায়ৰম্ব লাইফাওবু মীহৌরোনগী করম্ব তাংবক্ক ককপ ঙমখিবগে ?

(4) নোঙ্গ্রেদেমসকা নুংসেল কাংলোন :—মীহৌরোন্দ লাইফাও পিবগীদমক ফাওখিব ফ্রান্সকী নোঙ্গ্রেদেমসকী থ্বাইদগী চেকসিন্ন সিজিন্নব কাংলোন্দি 'নুংসেল কাংলোন' মরায় 'শিংসেল কাংলোন' হায়নৱ অসিনি। মহাক্ক নুংসেল কাংলোন্দ্ পোৎসক ২ সিজিন্নরম্মী। অমন নুংসেলনি (মিরর) অতোপ্প অমন কোন অমদ হাপ্প অসেংব ঈসিংনি।

মওং :—(1) য়োৎসবী মথোঙ ও পানব অমদ ঈসিং হাপ্প কোন ১ থিল্লি, কোন অসিদ অসেংব ঈসিং হাপ্পি। করিগুম্বদ নুংসেল সিজিন্নৈ।

(ii) য়োৎসবী মথোঙ ও দ থিনব কোন অসিদ হাপ্পিব ঈসিং অসিদ মহাক্ক লোয়নৱিব লাই অসি নোঙ্গ্রেদেমসন উব ফংই, উম্নবম্ব উননব য়েংই।

(iii) মহাক্ক উৱিব লোম্নব লাই অসিগী ৱা কন্না মথংদ নোঙ্গ্রে-দেমসন তাব ফংই।

(iv) মহাক্ক উব অমম্বুং তাৰ্ব ওম্ব সক্লক অহুদগী হীৱী কোন্দুন নোঙ্গ্রেদেমসন লৌসিল্লি অদুগ মালেমদ ফাওরব লাইপাউময়াম অসি চেল্লি।

য়াম্মনব অমসুং য়াম্মন্দবগী ফাওব
(মচৈ-সংগী রারী)

চহি ১০ গী মনুংদ স্কুল ২৬৫ তম্ব অফাওব : ৱিলমা ৱিল্লি-য়ামস শায়বী লৈসাবী লাইব্রিক তম্বগী রারোদ ফাওই। অদুবু লাইব্রিক ফবগীদি নত্তে। স্কুল মসীং খ্বায়দগী য়াম্ন তম্বগীনি। ইউনাইতেদ স্তেৎসকী লৈসাবী ৱিলমা মকম মকমদ সো উৎপ চৎপগী সিনফম তৌব মমা মপাগী মচানুপীনি। ১৯৩৩ দগী ১৯৭৩ ফাওবগী চহি ১০ গী মনুংসিদ ৱিলমান স্কুল ২৬৫ দ হোং হোংদুন লাইব্রিক তমখি। স্কুল ২৬৫ রক হোংলবনিন লাইব্রিক ফবগী রাদি লৈত্রে। অদুবু চহিদ স্কুল ২৬৫ রক হোংদুন তম্বগী মিংচৎন ৱিলমা ৱিল্লিয়ামস অফাওবী লৈসাবী ১ ওইখ্রে।

মচৈরোয় ১২,০০০ হেন্ন তম্ব স্কুল :— কলকতাগী সাউথ পোইন্ত হায় স্কুলদ ১৯৮৩-৮৪ গী মিং চনবদ মচৈরোয় ১২,৩৫০ (লিসিং ১২ চত্থম য়াম্খৈ) দুখি। অতৈ লৈপাক্ত মচৈরোয় ৫ গ উজা ১ গগী চাংচত্ত মচৈ তম্নরবম্ভ ভারতন মচৈরোয ময়াম পুল্লপ ঙানম নম্বদদি মালেমসিদ খ্বায়দগী হেন্দুন মমিং চৎলিবসিনি।

খ্বায়দগী চহি য়ামদব অন্দরগ্রেজুয়েৎ :— ৱিল্লিয়াম থোমসন কোম্ন লোর্দ কেলভিন হায়ন খঙনরীব অসি চহি ১০ গ থা ৪ চংবদ গ্লেসগো ইউনিভরসিতিদ মিং চল্লি। নবেম্বর ১৪, ১৮৩৪ ইংদ মেত্রিক লাম্থোক্নুন চহি ১০ থরতমক হেনবদ মেত্রিকুলেৎ ওই। নৌমনবদগী ঙম্নিকাওব ফাওদুন লৈখি।

খ্বায়দগী চহি য়ামদব প্রোফেসার :— ইউনিভরসিতি অমগী প্রোফেসার কাবসি পুন্সিদ ওইদদুন অদুম থবক তোরুবন হান্দুন ফংগন্দে। কোলিন মেকলোরিন মসাগী চহি ১৯ তদ চিয়ার ফংদুন ইউনিভরসিতিগী ফুল প্রোফেসার ওইখি।

*

নৈনব : - নোঙ্গ্রেদেমমকী মুংসেল কাংলোন অসি মী চিকপ মতমদন খ্বাইদগী হেন্না ময়েক সেংই। মী লাংলবদি কাংলোন অসিদ অপনব ওই। মসিন তাক্লিংদি মুংসেল কাংলোন অসি 'পুক্লিংগী ৱারক' চংই। অপাম্ব, থিহৌব, কল্লকপ, মীবু কল্লক য়েংথিব, লমল খুম্লিংবগী লাংভরুব লৈব মীসিংন উব ঙমদে। পুক্লিং চোইথোক্তবগী মথৌ অম তঙাই ফদন লৈ। মরম অসিননি কংলৈপাক অসিগী মুংসেল কাংলোন খঙব মীওইসিংন মরাল লৈত্রিব নত্তা খল্লগ য়েংহনবগী কাংলোন অম চংথরিবসি। মসিদ পুক্লিংগী অৱাংব থাক্কী সাজেল চংই। পুক্লিংগী সাজেল অসিবু কংলৈপাক অসিগী পুক্লিংলোয়সিংন 'পুসেল' কৌই। সাসেল—পুসেল=সাজেল - পুজেল হায়রম্লিবসিনি। সিজিন্নরিব 'মুংসেল কাংলোন' অসি পুক্লিং কাংলোন্দ হৌজিক 'ক্রিস্তেল-গেজিং' হায়ন খঙনরি। অতেনব ৱাহৈদন 'মুংসেল কাংলোন' অসিবু ঙসিগী পুক্লিংলোয় (সাইকো-লোজিন 'স্ত্রাইং' হায়ন কৌই।

কংলৈপাক্ত নৈনবিব্রিব কাংলোন অম

ঙসি ঙসিগী কংলৈপাক্ত ইপুথৌ ইবেনথৌ তোংবসিংন মথোয়গী লাইসংগ সাগোম্নন ঈকোন (পৃথ্রি) মচা অমত্ত ওইরবস্থ থম্লিংলকপগী পুক্লিং মতোমত লাকই। থমদ্রবস্থ থম্লিংলকই। করিগুম্বদ থমদব সুকয়া য়ারক্তবদগী লাইপাউ চেনবদ ঈকোন অম থম্বগী ৱা ফাওরকই। মতোমত ফাওরকপ ঈফুং অতুগী পাম্বৈন অঙকপ ৱা কয়া হায়ব ঙমহল্লি।

অসিগুম্ব ঈসিং-কোম অসিগী থিজিন হুমজিনবগী থবক অমত্ত কংলৈপাক্তদি চংথদ্রি। লাই কাওরিব মফম মফমদ তিল্লিব অখঙ অহৈ অমত্তনস্থ ঙসিফাওবদ ঈসিংগী কোম অসিগী নৈনবগী থবক চংথদ্রি। অতুবু ঈসিংগী মথৌ তাম্বিবসিদি অচম্ব থক নত্তে। থিজিন হুমজিন্দুন কাংলোন নাইন নৈনব য়ানব পুথোক্তদবনি। অমম থাজ অমদ পংতাউ

তাউদুন লৈপদব মতম অদু ওসিগী তাইবংসিদি নৎত্রে। পোৎ খুদিংমক কাংলোন নাইগদবনি, কাংলোন নাইদন পংথা থাজবদি অমম-থাজ (সুপর্স্তিসন) চিংই।


নৈনব হৌগংপ মুংভাঈনব ঈসিং-কোম অসিবু করি করি লম্বেলদ সিজিন্নবগে হায়বসি হান্ন থিজিনগদবনি। খুদম য়েংবদ, তুংগী খুদম পিবদ, খুদক খুদক্কী রা খওহনবদ অমদি ঈপুথো লাই অহুমী তুংনফম য়াতাকম ওইজনব অসিনচিংব মরম কয়াদ ঈসিং-কোম অসি সিজিন্নৈ। মসিন তাক্লিবদি ঈসিং কোম অসি মথক্ত অমগী "ক্রিস্তেল গেজিং" নত্রগ "স্ক্রাইং" গী পান্দম য়াওরি। খুদম ওইন— নোঙ্গ্রেদেমসকী "ক্রিস্তেল গেজিং" কাংলোন্দসু য়োৎশবী মখোঙ ৩ দ থম্ব ঈসিং অসেংববু মাগী লাই অহুন মতম কুইন য়াতানবগী অমদি মহাক্ক উননবগী, খুদম লৌননবগী পাম্বৈ ওইন সিজিন্নৈ। ঈসিং অহুম করিগুম্বসিং উব তাব ফংহল্লি পুক্লিং-লান্ন (সাই কালোজিন) 'স্ক্রাইং' হায়রিব কাংলোন অসিনি। কংলৈপাক্কী লাই লোয়নবসিংগী সাগোম্নবদ ঈসিং-কোম অসেংব চংদব য়াদব লাক্লিব অসি তামংন মুংসেল কাংলোনগী মথক্ত অমনি। মুং=পুক্লিং+সেল মমি তাহনব ওম্ব অরংব পোৎ— পুনসিল্লগ 'পুক্লিংগী মমি লাক্লব+মিসেল'=-মুংসেল তাজৈ। পুক্লিংবু 'মুং' কৌই, পুক্লিংগী মমি লাকসিনফম সেলবু 'মুংসেল' কৌই। কাং-লোন নাইন পুক্লিংগী মি তম্ববু 'মুংসেল কাংলোন' হায়ন কৌবতনি।

মরম অহুন ঈসিং-কোম অসি পাখংবশী সুকংনি হায়রগ হেক্ত লোইসিনবনদি কাংলোন নাইরকপ যারোই। লাই খদিংমক পাখংব থক ওইদে হায়বসি নৈনরিব খুদিংন 'নংসিংবিগদবনি।

—মথা মথং চেফোংদ ফংবিগনি।

পুয়া ন্নারৌদ থাংজীং

(খুভমসিংগী ন্না)



পুয়া নৈনব লাতল্ল।

থাংজীংগী খুভমসিং অসি য়াম্মী। থাংজীং চীংগোইরোনদ লৈরিব ন্নারীসিং অসিদি মথল মপেল যাম্মী। খ্বাইদগী মরু ওইবসিংগী মনুংদগী খনগৎলগ খরমখৈদি ঙসিগী মীরোম্ন খঙদব য়াত্রবনি। কৌবরু, থাংজীং, নোংমাইজীং হাযবসি কংলৈচাসিংন চহি থূদিংগী লাই খুরুম্ব কানরিব লৈবাক্কী লাইফম অক্কব ঙাক্রুনি। থাংজীং চহিগী ওইন মী লিসিং কয়ামক্কম কানরি, অরাপ অনক লাক্কুন লাই খুরুম্ব চৎনরি। অমরোমদস্থু চীং কাবগী থবক অসি অচৌব খুম্মোক (এদভেনচর) অমনি। মতীং ফুদোকপ অমদি থৌনা ফুদোকপ থৌরম অমত্তম্থু চহি খুদিংগী পাংথোক্কে নিংত্রবদি পুন্সিদ 'ফুদোকপ" হায়ব চাওখৎপগী মঙাল অসি ন্নাংলকই। অদুন লাই খুরুম্ব চৎপদ অসিগুম্ব মতীং ফুদোকহনব পুন্সিরোন্দ হাম্ননিংঙাই লৈত্তন কাম্নরব ঈথৌনি। খুভমসিং অসি খঙলবদি অমুক্ক হেন্ন পুক্সিংগী অপেনবস্থু ফংগনি।

সিদ-হীদাক
(মনাহি)

মনাহি মখল ৭ কংলৈপাক্ত ফংলম্মী হায়নৈ। নীংথিন থিজিন হুমজিন তৌহ্নন য়োকখৎপিদবদগী য়াম্বত্তুনা মৈ থাদাক্তুনা অয়াম্ব মাংহল্লে। হৌজীক্কী মনাহী মখল অহুমখক্তমক চীংগী কমদ অমস্তুং তম্পাক্ত উরে। অমন মতুম তারপ তৌই, অমন চীংমুংদ পীক্ত পীক্ত পাল্লি অতোপ্প অমন মতোংগী সরুক হেন্ন যাওই। মখল ৩ অসিস্ন থিজিনগম্রব লৈপাক অসিদদি মাংসিল্লরুগনি। কাংলোনগী মিংদ মমাহীবু তর্মিনালিকা মাইরো-বলান কৌই।

কান্নব :--মনাহী সিজ্জীম্নবন মসা লোয়খোকপ মীগী মসা পাথ-হল্লি, মিং ফহল্লি, রাখলগী থবক তৌব মীগী রাখল থোকপ হেনগৎহল্লি, মতম কুইন পুনসিহল্লি। চাকলেন চাব লোইরগ চারবদি মৈ-ঈসিং-মুংসিং ও ফগৎহল্লি। ফুত্তুনা চারগ ঈসিং-মুংসিং যেৎনব ফহল্লি, তরুগ মকুপ ওইন সিজ্জীম্নরগ অমাংবগী মরী সেংদোকই, য়াম্না সায়হ্নন উমহ্নন চারগ চাব তুম্নবগী মৈ কলহল্লি।

মওং থর :--(i) লোক্কী লায়নাদ মীতৈ থুমগ চামিম্নগনি। (ii) তাল মিস্রিগ চারগ ঈসি মরী অমস্তুং মুংসিং মরী ফহল্লি। (iii) চিনি অঙাংবগ চারগ অয়াম্ব লায়নাদ ফহল্লি। (iv) হারা কংথু-দদি উম্নগ সিজ্জীম্নগনি। (v) থগোকপ লায়নাদদি থোইহিগ মনাহিগ চামিম্নগনি। (vi) মথক্কী থুৎচাসিং অসি চয়োল ১/২ হোং হোংহ্নন থা ১০ সিজিম্নবদ মিং নাপু কাব, লোক, হারা, তীলগী লায়না, ঈসিং-য়াফমগী লায়না, গোনোরিয়া (নাই তাব), মুংসং, ফিরাক সোকপ, পুক থিনব, থবোম্বীগী লায়না অমস্তুং মাংব য়ৈথৎপ ফহল্লি। *

(i) কোইরেন নিংথৌগী খুভম : মীয়াম ওসি থাংজীং খুভম, থাংজীংগী স্নরুং হায়হুন হায়নরিব চীংদোল চৈকোক হাইগংগ লোইরগ লৈসিল্লকপদ পুক্লিংদ থুক লাওন কজব খুভম অসি কোয়রেন নিংথৌগী খুভম্নি। স্নরুংগী মমায নোংপোক ওয়্ নৈ। লাইনিংথৌ থাংজীংগী মিংথৈ অমসুং পোংকং চৈকং-নৈকং মফম অসিদ তৌগনি।

(ii) সংগাই মুমফম - কোয়রেন নিংথৌগী খুভমগী চিংখৈ পাংবদ থাংজীংগী সংগাই যুমফম লৈ। কোয়রেন নিংথৌগী লাইমাংদ লেপ্পগ চিংথৈ পাংন হেক লেংখংশিনদ ইচেম তেম্ব ঈনিব অকোকপ, অতোংব, মতুদ লেপ্পগ য়েংবদ কংলৈপাক্কী অকায়বগী সক্তম তক তক উব ওধ মফম অদু সংগাই যুমফম কৌই। মফম অসি থাংজীং নিংথৌন য়ুম সাহুন পাল্লম অফনি হায়বগী সংগাই য়ুমফম কৌই। থাংজীংগী যুমফম থোনবদ সংগাই যুমফম অসিদগী চুমিং থাবান অফবদ কাহুন লৈপাক লৌরুরগ হাপ্পরি।

(iii) নুংগী হি :—কোয়রেল্লাইগী খুনেং হিদি কোইরেন নিংথৌ খুভমগী নোংপোক পাংন নক্ল লৈ। মসিন মালেম অসি মতম অমদ ঈসিংন পুংযোম য়োম্ব লৈরম্মী, কাইনথংদ ঈসিং কংথরক্লুন চীংদোল চীংদোলতমক মসক উব হৌই হায়ব তাকই। চীংগী চীংদোলদ হি নৌগী সক্তম লাংহুন থম্লম্লিব অসিন মালেমসিগী চহী লাথা কয়াগী মমাংগী ব্রারীব্র খওহল্লি।

লাইনিংথৌ থাংজীংগী লাইবোলদ ঈনুং পুংদগী "ফুক্কং থাংকং চিংখংলকই হায়বগী থাংজীং কৌই" হায়হুন যাওরিবসিদ - ঈরং ঈপাক ময়ায়দ অরাংব চীংসিং অসিন হান্ন কাওগংলকই হায়ব মালেম হৌ-রকপগী ব্রারীব্ খওহল্লি। অনিস্নবদ লাইরোল অসিন থাংজীং চীংজাউ অসি কৌবরু চীংজাউগুম্ন য়াম্ন জিরব, মালেম হৌবকপগী ব্রারীদ য়াও-রক্লব অমনি হায়বস্থ তাকই।



চীন কাংজৈ
(হৌদোং লম্বোইব-পেবেং)



হৌ : পেবেং ঐগী সকসিবু কয়ামুক ফজবগে

পে : অয়ো য়ো ঈবুংঙো ব্রাকথংগী ঙকযাল অঙাংব য়াইরী পাবং অচুম্নমুক ফজৈ।

হৌ : ভালো ভালো স্বন্দরমহন হায়বতুনি ঈসক ঈতৌগ

পে : তাদ বিল্লি, ভল্লাবু তর্ক তর্ক তীর্থদগী হন্নরক্তুন বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইগ্নকেসন্ন একজামিনেসন্দ ক্লাস থাগদৌরি তায, চুমব্রাও ?

হৌ : থাদৌরি থাদৌরি ঈ বম্ম অচুম্বনি। মী খরন লোন্ন ব্রানোমহন বেঙ্গোলী ময়েক চপমান্নন সেম্ব ময়েক ৩৫ গী মনিপুরী ময়েক অহু ক্লাস তেন্দ তমহন্নব হোৎনরি। সাত্র সাত্রিসিংদ মখোয়গী অসংব ময়েক ওইরবোই নিংহন্নব বেঙ্গোলী ময়ক ৩৫ অসি ক্লাস তেন্দ তমহনগাদৌরিবনি। ঐ ক্লাস তেন তমদব যাদ্রে পেবেং।

পে : হোইনে, নহারোম্ন যাগদব ব্রাদি নত্তবনিন কনান তৌরিবনো থঙ-হন্দনব হোৎনবদ হৌদোং মকোকসিং অহু সারবজাৎনিনে।

হৌ : কোক, সম, লাই হাবহন মীতৈ ময়েক হেক চংখিন হুমিত্তগী লোন্ন লোন্ন ওসিক্ষাওব লেপ্তন হোৎনরিবনি, মী তাহনগন্ন।

পে : ভারবনিন লাউথোকপ তারে তা বিল্লি। নংন সীংনরিবসি অমন লৈঙাক লোয়সংগী ব্রায়েপপুনি, অমন মরৈপাক হুংসিব কংলৈচা লাখা লাখাসিদনি। নত্রাও বিল্লি ?

হৌ : ঐ চংলে পেবেং, মথং থাদমুক লাক্লগে। ★

(iv) সলাইলেলগী খুভম : থাংজীং চীংগোইরোনগী মতুং ইম্ন সিদ উপাল মচু তাব, মনা ৭ থক্রুমক পানব পাম্বী অহু হৌরম্ব অহুগী মনাক্ত মুং অঙোবগী খুভম অম লৈ। মুং অঙোবগী খুভম অহুন লাইনিংথৌ সলাই লেল গীমকমনি।

মুংবী অসি লাইগী সামু অঙোব পোকফম মফম্নি হায়হুন লুন তৌনৈ।

খুভমসিবু থৌনিগে খুরুমজগে হায়রবদি মিংথৈদ "নোংদোল তেনখোম্বা" হায়ন সোল্লগ হৈকৎ লৈকৎ তমগদবনি। নিংব থুংই ভায়হুন য়াম্ন লুন তৌনরিব মফম্নি।

v' থোংনাং নিংথৌগী খুভমঃ মুঙ অরাংব অম লৈরিবহুন থোংনাং নিংথৌগী খুভমনি। পুয়াগী মতুং ইম্ন নোংসা পোকপ মুঙনি। কংলৈপাক্ত নোংসা হায়ব মমিং অম লৈরম্নিবসি মতম অমদ লৈরম্বগী মযেক লারব খুদম্নি। থাংজীংগী লাইফমদমু নোংসা লৈরম্মী হায়বসি মুঙ অরাংব অসিগী রারীন তাকই।

(vi) লৈহিং নুচা সোবা :— মচু ৭ ন লাংব মুঙবী ফুলৈনন রাংব অহুন সনা, লুপা, কোরি, তম্ফা (প্রিসিয়স স্তোন) পাকপ মুঙনে। মুঙবী অসিদগী মীওইবগী লল থুম কয়া থোকথিবগী রারী পুযাদ ইরি। মচু ৭ কী মুঙ অসি থাংজীং চীংগোইরোন্দ "কৌওইবী মুঙ" কৌই। খুভম অসিদ মীওইবন লল থুম নিজবদ পিদব হৌনদে হায়রিব মফম অহুনি।

(vii) লাই ওনব ইকোন (পুখ্রি) :—কোয়রেল লৈম ঈমাগী খুভম্ন কোনব ঈকোন মচা ২ লৈরম্মী। মতমগী অওনব ঈসিং মুংসিং-কী য়াওলদ ঈকোন (পুখ্রি) ২ অসি হৌজিক্তি মসক ইথোক থোক্তন লৈরে।

ঈকোন ১ দি ঈসিংহু মরম খঙন থকপদ লাই ওনব ভম্মী। ঈকোন অতোপ্প অসিগী ঈসিং অমুক হন্ন থক্লগ মী অমুক ওম্থোকপ য়াই।

মাইবগী হীদাক থাউ

(ঈ কংসিল্লকপ)

মীওইবন লৈ খঙদব লায়নাসিংগী মন্নুংদ পুক্কুংদ ভীল লৈবসিনি। হকচাং য়্যারকত্রব মতমদত করিনোম সোইরে হায়ব খঙলকই, মতু ফাওব- ভীল লৈরে খঙদে। ভীল অসাংববু লৈরবদি মী অত্ত মশা ক্বব হৌনদ্রে, চারিব থক্লিব অমত্ত মচি ওইব হৌনদে কালেনগী মতমসি ভীল পোকপ মতমনি অহলস্নু অঙাংস্নু ভীংগাদমক চেকসিনবিগদবনি।

লাইওং ঃ চাব থকপ মচি ওংব্রক্রোই তিনচাক ফাযরক্কনি, কসিগুম্বদ পুক নারক্কনি, মরম চাদন ওনিং ওনিং তৌরকই কুচু তাই-সিল্লকই, তুম্বদ মচিল চপ চপ স ইগল্ল হুমাং অনপ্পী কাগল্লি, চানিং থকনিংব মাঙখিনি। ভীল মচা ওইথবদি অহিং তুম্নিডৈদ অমাংথোংদ মৈ কাপ্লগ ফাক্তোক্তন য়েংবদ থোবকপ উগনি।

লায়েং — (i) ভীল সিব হীদাক্কি হাযত্নন তৌনসিবী কৌত্নন থম্বীরম্লব তৌনসিবী মক্ক অসি তৌলগী ফরব হীদাক্কি। তৌনসিবী মকগী মকুপ তোলা 2½, কবো মুরোকসি তোলা 2½ চাং চপ মান্নন যান্নত্নন হীদাক সেম্লগ অঙাংদন নোংমদ গ্রেন ১৫ মপুং কারবদন গ্রেন ৩০ পিজবদ ভীল ফাইদোরক্কনি। ভীল ফাইদোরকপগ হীদাক চাব লেপকনি। (ii) কফোই মরাগী মকুপ, কফোই মহৈগী মকুপ ২/২ লৌরগ নক্কগ অমত্তমক তোলা ৪ স্নুন লৌরগ ঈসিং কে, জি ১দ ½ ফাওবতং ঙাইবফাওব ফুংলগ তোলা ৫/৫ পুং ৫/৫ খুদিংগী পিথক্লগ লোইবদ কেগে থাউ তোলা ২ থক্লবদি ভীল অচোব অসাংবফাওব ফাই-দোরক্কনি। ❋

অমুম্ন থিজিন ছবজিন্নিংঙাই মচাক যাম্ন লৈন পুয়াসিংন সীংথাব মফম্নি।

(viii) নুংসিৎ থোঙ ৩ :- থাংজীংগী চীংদোন্দি ৭ নি। মখা থংব নমখাঙগী চীংদাল পরিংদ নোংসিৎ (নুংসিৎ) থোঙ ৩ লৈরি। নোংসিংকী থোঙ অমদি নুঙ য়াংকোক মানবন কুপ্পুন লৈ। নোংসিংকী থোঙ ২ সুব অসিন নুঙ পুখম মানব ১ ন কুপ্পুন লৈ। নোংসিৎ পাংথোঙ ৩ সুব অসিন নুঙগী থমুক মানব নুঙবী অচৌব অমন খুমজিন্দুন লৈ।

নোংসিৎ থোঙ ৩ অসিবু পুয়ান পরেং থান্দুন মথং মথং লৈ হায়ত্রন "নোংসিৎ পাংথোঙ ৩" অসুম্ন কৌরম্মী।

অসিত নত্তন থাংজীং নিংথৌগী হী-য়াই নন্দুন লৈ হায়রিব নুঙবী, সনাগী কাংচুপ নল্লি হায়রিব নুঙবী, সনাগী থাঙ ননবনি হায়ন সীংথাব নুঙ, সনা লুপা পোকপ নুঙ অমদি সনাগী চৈবুন মপুন নল্লি হায়রিব মফম কয়া অমম্ন লৈরে। পুম্নমক অসিগী য়াবী তারগ থাংজীং খুরুম্ব চংলবদি পুক্লিংদ য়াম্ন নুংঙাইগনি, য়াব খঙহৌবোই অমদি হল্লক্রব মতুংদম্ন কাউঙমদন পুন্সি তেকথৎনবগী মচাক ওইব নিংসিংব ওইত্রন পুন্সিদ যাম্ন চাওখৎপ ওইগনি।

সলাই খুম্মোক লুপসান (সলাই এদভেনচর ইউনিৎন) চহি কয়াগী মমাংদগী লাইফমসিং অমদি খুভমসিং অসি উরীগী কুযোম কযা য়ানখায়ত্রল, উজাউ কল্লা কত্তুন অমদি চংসিনব ঙমত্রব মোংসোং কযা নুমিৎ কয়ানি চংন সেংদোক্লুন মমি মুৎলক্লব মফমসিং অসি অমুক হন্ন পুথোকপগী থোঙজং চংসিনখি। থাংজীং চীংগোইরোন অমদি চীংনি চুপলেন পুয়াসিংদ তাক্লিব খুভমসিংগী লম্মিৎ-লোন নৈনত্রন চীংদোন্দ মতম কুইন লেম্নসং (কেম্প) সাত্রন থিজিনবগী থোঙজং চ - সিনখিবদ ঈসিং ফংদবগী খুদোং চাদব কয়া লৈজরবম্ন কাউঙমদব মতম পুম্নমক রাখল তেকথৎহনব নিংসিংব অমদি য়াওক্লব পাথৌসিং অত্রগী পুন্সিদ ফংখি। নিংসিংব অসিগী নুংঙাইবম্ন মপান নাইদে। *

ঈমালোল নৈনরসি

(অরি-অনৌ চৎমিন্নরসন্থ)

খোইরম— পাং মপান্দ, ঈসিং অচৌব মনাক্ত তাব খোইরম হায়্রন খঙনৈ। খোইরম্বু ঈমু হায়নস্ত্র খঙনৈ।

কচক হৌবা— অরিব কংলৈলোলদ সাউববু কচক হৌবা কৌই। উনবী কচক হৌনা লান্তারক্লে হায়রবদি য়াম্ন সাউন লাল তারকপবু খঙনৈ। কচক তমক হায়বগ পুক্নিং ইংথদববুস্ত্র খঙনৈ।

অচিং—লাংবল থাবু অরিবদ অচিং হায়ন খঙনৈ। অম্বুম্ন থা ১২ মক্তী ঈস্কুংলোনম্বী মমিং ১২ লৈ। খুদম ওইন থরান থাবুন অতং-অরান কৌই।

কম্নপু— কমপু হায়বসি অনৌব পুযাদদি সিজিন্নব অরিব পুন্নাদদি সিজিন্নরমদব চংতি চংনরম্নব ৱাহৈনি। কমপু হায়রগ লানমী তেংগোলবু খঙনৈ। 'বামোন-কমপু' অসিনাচিংব। ৱাহৈসি ইংরেজী ৱাহৈ 'কম্পনি' হায়্রবসিদগী থৈথখিব ওইগনি।

লোল অরিবদগী অনৌবদ হন্দেকপ

(i) ইদাইরেন্দুদি মোংমোং হাইমন তানবদা খুদোং হুক্তরে।
ইনাইহুদি অমোংব লম্বী সমজিনবদ খুদোং খিব থোক্লে।


(ii) খোংলমগী থোংসাদি সোংচি নাতৈ লোন্নৈভনে।
ঈসিং খোংগী থোং সাবদি ক্ষোপ হাত্নন সানরম্মে।

(iii) তিমেনসিদি ঙাংঙোই পোংলেন হনবগী মখুৎস্তুনি।
তা অসিদি মোইরাং নিংথৌন পায়ব খুৎলাইনি।

(iv) তম্বা নংবু মিংথিংপদি খৌথাক নাইদবা ঙমদেদা।
ম্নপা নংবু উবসিদি পুক্লিংদ চিংনদব ঙমদে। +

কাংলোনগী তাইবং

মিংন উব লাইপোক সি, ভি, রমন মসাগী সক্তম ঙাকথি



লাইপোক করিনো ?

সনামহী লাইনিংন "লাইপোক" হায়ব ৱাহৈ অসিবু চেকসিন্ন সিজিন্নৈ। লাই পোকপ নাইদে, লাইদি সিব লৈতে। অদুগ ৱাহৈ-সিদি লৈরি ; ৱাহৈসিদি পিরি "লাইপোক - লাইন + পোকপ।"

সনামহী লাইনিংন হায়—"মীওইবগী হকচাংদ লাই লৈ, লাইগী অসেংব লাইসংদি হকচাং অসিনি।"

করিগী সনামহী লাইনিং চৎলব ঈপা ঈপুসিংহুন মীওোন্দ খোঙন সোল্লুবদ লাইপক কৎলম্লিবনো ? করিগী মীরক খায়ন চৎপদ খুৎসান খুকউগী মখা থুম্লগ নোম্বহুন চৎলম্লিবনো ? করিগী ৱাখল অমম্বুং লৌসিংগী অঙকপ মঙাল খোরককম পিম্লম ২ গী কারক মরায় চবুক "লাই + পকপ = লাইপক" কৌরম্বনো ? হকচাংগী অয়োইব

দ

কনান কনানো
(হুইড্রি পাদম্বী)

ক

কংলৈ চম্নরাসিংগী মারী পরিংদ হুইড্রি পাদম্বী কাউব লৈরম্নোইদব চীংমী চম্নরা অমনি। সলাই এদভেনচর ইউনিংন (সলাই খুম্নোক লূপসান) সলাংথেল মসাং থিজিনবগী থূম্নোক (এদভেনচর প্রোগ্রাম অমদ) সলাংম্নুবী কৈথেল থিজিল্লকখি। মতম অমদ মোইরাং কংলৈরোনগ নক্ল সাগোম্নরম্ন সলাংম্নুবী কৈলথেলনি। মোইরাংগী খারি কৈথেল, খুয়োল কৈথেল অমদি অতৈ মক্লওইব কৈথেলসিংগ সলাংম্নুবী কৈথেলসিগ ললোন ইতিক তৌনরম্মী। সলাংম্নুবী কৈথেলদগী থেল অম হাইথরগ হেক হাইগৎপ থেল অহূদ সলাংথেল লৈরে। সলাংথল হায়বসি মোইরাং কংলৈরোন্দ মমিং চৎলিব সলাং নিংথৌগী সংগাই ম্নমফম্নি।

হায়ম্নিব সলাং নিংথৌ অসিগী লৈম সলাং মুবী ঈমা অত্র অতৈ কনা নত্তে হুইড্রি পাদম্বী হায়রিবী মীহাইরোন্ন কাউব লৈরম্নোইদবী চীংমী চম্নু অসিনি। হুইড্রি পাদম্বী অসি সলাং নিংথৌগী লৈম ওই-বগীদমক সলাংম্নুবী কৌনবনি। মহাক্কী মগিংদ লিংলম্ন কৈথেলবু সলাংম্নুবী কৈথেল কৌই।

পুক্সিগী থোথোক থৌরম কয়া মসাগী খুংম্নু ওইরিব ফি সানবগী হুইড্রি অসি মুমিৎ খুদিংগী চাংয়েং তৌরগ থুদম য়েংলগ খণ্ডব ঙম্মী। মান লৈগদব, লুহোংগদৌব থেংগৌ ৯ মুন হৈব মুপা অহু থেংনগদব মুমিৎ অহু মাগী হুইড্রিগী থূদম য়েংলগ খণ্ডখি। মহুদগী মাবু 'হুইড্রি পাদম্বী' 'হুইড্রি পাদম্বী' কৌনখি। +

সিবগী থুদম পিরম্লিব থম্মোয় (হার্ত) অসিবু করিগী সনামহী লাইনিংদ 'থম্মোয় লাইয়ুম—লাইগী মযুম" কৌরম্লিবা ? পুম্নমক অসি লোলদ, চীংনবীদ হৌনলোনচন্ত, লীচৎত, খুনাইগী কাংলোন্দ থবক ওইন হাপ্তুন সিজিন্নরক্লবনি। মসিমক্ত ভারত পুম্নমক্কী মীয়ামদগী তোপ্তোপ্প কংলৈচাসিং অসি লৈরিবনি।

মীগী হকচাংবু অসেংব লাইসংনি খঙন মীপুম খুদিংন মীওোপ্প খোঙন লোক্লবদ লাইপক কত্তুন ইকাই খুম্নব উৎপ ফুরুপ অম ভারতকী মমুংদ থোনরোই। মালেমসিগী মমুংদসু থেংনরাই। মীবু লোম্ন হাৎপ, সনাগহী লাইনিংন স্থকয়ামক যারক্তে। অমবোমদ হকচাংবু সাজেল সাম্নহুন তরু তসেংহনব, স্থমিংকী মঙালগ লোয়ন্নন ঈরুজন্তন কোইরৌ-পাঙ্গল (সোলার ইনরজি) লৌরম্ব, পুন্সিরোন চত্তুন, যাহিপ-ফম্ফম চাকচা ঈথক কাংলোন চত্তুন লাইসং অসি সেম্নব চহি লিসিং কয়াদগী চৎনরকই। হকচাংদ লাই লৈ হায়বসিগী মিংম উব থুদম ঙাক্তনি। লাইরব ইনাকথুনব থায়দে, অচৌ পিসক থায়দে, সাগৈ অফব ফত্তব, অবাংব অনেম্ব সনামহী লাইনিংন থায়দে। অগন ঙসিক্কাওবদ ভারতকী মফম পুম্নমক্ত উজ্রব চৎনবী "ফুরিং সেগাইব লিংপ লাইরব অহন অমদ ঈপা ঈতোন ঈযাম্ব হাযহুন কায় তোংব, নিংথৌগুম্ন পানব মী অমনম্নু ইকায় খুম্নব, হে-হা, হৈ, ওই হন্নুবা হায়নদব' হায়বসি কংলৈপাক অসিদ উব ফংলিবসিনি। মসি মাম্নব খুন্নাইগী অচৌন যুক্ষম অমনি। পুম্নমক হকচাংন লাইসংনি, হকচাংদ লাই লৈ হায়ব সনামহী লাইনিংগী রাখন্নোন অসিগী মঙালনি।

অহুগুম্ব লাই অহুন থোরায় অচংব ওইহুন হকচাংদ চংহুন লৈ। অহুগুম্ব মতৌক মঙাল অহু মথৌ নিংথিন তৌব, মথৌ তৌবদ গুরোইব মপাঙ্গলগী ঙমখৈফাওব য়োন পাংথোকপ ঙম্ব, মপুক্কিংন কংথোক্তুন মথৌহুদ চংসিল্লিব মীওই অমগী মসাদগী হৌগৎলকই। মঙাল অহু অরোইব মপাঙ্গলফাওব য়োন সিজিন্নহুন মথৌ পাংথোক্লিব মীসক অহুদ

তাংলব অনীসুব্রব পুন্সী অহুম মাঙখ্রে

মালেমসিগী খ্বাইদগী পুন্সিব অহল লৈখিদ্রে:— পংহায় হায়জিল্লগ পাউচেসিংদ পংফোং ফোংজিনব নত্তব তসেংন ওফিসিয়েল ওইন পুনসিবগী চেজলদ য়াওরব মালেমসিগী খ্বাইদগী পুনসিব অহল অদু জাপানগী সিগেচিও ইজুকি অসিনি। মসাগী অসেংব চহি ১২০ গ সুমিং ২৩৭ সুব, চহি ১২১ সুগদব সুমিং থরনিত ওাইবদ লৈখিদ্রে। মালেমসিগী থিজিনবসিংন চেকসিন্না লৌহৌব চেজলগী মতুং ইন্না ইজুকি অসি হৌখিব চহিগী কে: চৈচং ২১ দ গ্রিনৱিস মিন তাইমগী মতমদগী লৌরগ সুমিং মুংব মতুং মিনিং ১৫ চৎপদ মসাগী মমুম আসান্দ সিখি।

হৌজিক্কি ওফিসিয়েল ওইন চুপ্নে খঙলব মালেমসিগী খ্বাইদগী পুন্সিব অসি চহি ১১৩ খক্তমক সুবন ওইহৌরে। অতুন ইজুকি লৈখিদবদ মালেমগী খ্বাইদগী পুন্সিব মীওইগী চহিগী চাং অসি চহি ৭ ক সুমিং থর হল্লখ্রে।

অমুক উববোইদব সওম হুই অনি:— মালেমসিদ অমুক হন্না উরবোইদব সা মখল তাহলতান বিযার দোগ (সওম হুই) হান্নন খঙনব সা মখল অসিগী মসীং ২ খক্তমক ওাইরবনি। মালেমসিদ হিংলিব বিযার দোগ ১ তমক ওাইরবসি ২ মক হৌখিব চহিদ সিখ্রে। বিয়ার দোগ কৌব তাংলব সা মখল অসি মীওইবগী মাংমক্তদ মালেম-সিদগী ১৯৮৬ ইংদগী মুৎখ্রে। মচা মত্তু অমফাওব সন্দোক্লমখ্রে। থৌথোক অসিন কংলৈপাকী লমদমদ নত্তন অতৈদ লৈত্রব সওাইবু নিংসিংহন্দব ওমদে। +

চিক্ল মসাদগী কাংথোরকই। মঙালডুন মথৌ অহুদ মতেং পাংলকই, মহৈ: চাহল্লকই, ওল্লমদব কয়া ওমহল্লকই। মথৌবু চানবীরক্লে, মঙাল লাক্লে. ওল্লমদব পুম্নমক হোৎনবদগী কাওরকপ মঙাল অহুগী মপান্দগী ওমজরকই হায়দুন "মথৌবু+চানবীরকপ=থৌজাল" কৌই। লাইগী থৌজাল হায়বসি মথৌ তৌনিংদব অতাউব পুন্সিন খক ফংব ওমদে হায়বসি সনামহী লাইনিংন হায়। অদুগুম্ব থৌজাল ,অদু ফংববু 'লাইপোক' কৌই। হকচাংদ তুমদুন লৈব লাইগী মঙাল কাওরকপ, মঙাল পোক্লকপবু 'লাইপোক' হায়ব য়াহৈ অসিন খঙনৈ। মঙাল অসিবু পোক্লক্লবদি মঙাল অসিগী মপান্ন মীওইবন ফংওমদ্রব মায় পাকপ কয়া ফংব ওল্লকই, অওকপ য়িংথোল কয়া ফংলকই। মহাক অদুবুন 'লাইপোক' কৌই।

দা: চন্দ্রসেখর ভেনকাতরমন মীয়াম্ন হেন্ন খঙনরিব দা: সি, ভি; রমন মিংন উব য়খল অসিগী লাইপোক অমনি।

কাংলোন্দ (সাইন্সত) লাইপোক কয়া লৈ

মলিয়া ফম্বালচা খেনচংলোয় (নোংখোংলোন খঙব, কংলৈপাক্কী লাইপোক্লি। হুমিৎ-থা থৱায়মিচাকপু উরগ মলিয়া ফম্বালচাগী পুক্লিংদ মতম পাবগী য়াথল পোক্লকখি। হোৎনবগী মঙাল ওইন ভসিফাওব মলিয়া কুমসীং হায়দুন চহিরোন পানরিবসিনি। হোৎনবগী পাম্বৈন; য়াথল খম্বগী পাম্বৈন থুগুন লৈরম্ব মঙালসিংবু লৌসিংগী ভাইবদ পুথোরকপ ওম্বসিংবু লাইপোক কৌই।

সার আইজাক নিউতন্ন হৈতুপ্ন মালেমদ তাব উবদগী মালেম্ন পোৎসিংবু চিংসিনব ওম্বগী পাঙ্গল লৈ হায়ব মঙাল অসি ফংখি। অস্তুম্ন অমগ অমগ চিংসিন্নবগী কাংথুল (লো ওফ গ্রেভিতেসন) অসি মালেমদ খঙহল্লকখি। হোৎনবদগী ফংলকপ মঙাল অসিবু সনামহী লাইনিংন থৌজাল কৌই, ফংলব তুংদ লাইপোক ওইরকই।

জেমস রাত্তনা কেত্তলীগী মথুম অসাবন মনিলগী পাজলন লেংব- ওৎপ উবদগী খন্নব হৌখি, হোৎনখি। হোৎনবস্থগী অরোয়বদ মঙাল অম লাকখি, হোৎনজরিব মথৌ অহবু মঙাল অমন চানবিরকখি— 'থৌজাল' অহন জেমস রাত্তপু 'ইস্তীম ইনজিন' পুথোকখিব লাইপোক অম হায়বহু ওইহনখি।

সি, ভি, রমনসু থৌজাল অদু ফংখি

সি, ভি, রমন ১৮৮৮ গী নভেম্বর চৈচৎ ৭ ত পোকই। মায়চৌ কয়া পোকখিব ঈমুংদগী হৌরকই। মহাক্কী মপুংথোক অসি মথোংন লৈব ভিরুচিরাপল্লিদগী বেঙ্গ°গী নদিয়া তায় লাপ্প চত্তুন ন্যায় সাস্ত্রদ চিংউলোন (ফিলোসোফি) তমখি। হোৎনব হায়বসিগী মঙাল অসি রমনগী ঈমুংদ মমি তারকখিবনি।

চহি ১২ দ লাইপোক ওইখিব সি, ভি রমন:—রমন চহি ১২ থক্তং স্নুবদ সিনখায় (সবজেক্ত) কয়াদ চেজল (রেকোর্দ) থুগাই-হুন মেত্রিক পাস তৌখি। মসিন রমনবু মথৌদ থৌজাল ফংলব অঙাং অমনি হায়ব উৎপ হৌখি। মসিন সি, ভি, রমন লাইপোক ওইরকপগী ইহান হানব রারীনি।

চহী ১৬ ত গ্রেজুয়েৎ ১৮ দ এম, এ, লোইখি:—মহৈরোয় অয়াম্বন মেত্রিক থানরিব চহি ১৬ অসিদ সি, ভি, রমন গ্রেজুয়েৎ লোইখি। মহাক্কী মতম ১৯০০ গী অহুরাইদদি লাইরিক তম্নদবন অয়াম্বনি। তম্নিব থরদস্থ চহি ১৮ হায়সি মেত্রিক ইয়ৌ য়ৌনত্রিবনি। চহি ১৮ দ মেত্রিক থাব তাংলম্মী। চাউন চাউন মহৈ তম্নরম্মী। অসুম মমাম্নব কয়ান মেত্রিক য়ৌত্রিভৈদ সি, ভি, রমন এম, এ পাস তৌখি। হান্নগী চেজল (রেকোর্দ) কয়া সিনখায় (সবজেক্ত) কয়াদ থুগাইখি। সনাগী মেদল কয়ারক হন্ন হন্ন ফংখি।

চহি ১৭-১৮ দ মালেমসিগী মিৎয়েং চিংসিনখি:—নৌরিব সি, ভি, রমন মথৌদ মঙাল ফংলকখি। স্নুপ্নগী চহি ১৭-১৮ চংলকপুদ

ভাইরিব মহৈয়োয় অম ওইন রমন্ন "একোস্তিক্স' অমস্তুং 'লাইৎ' অনি অসিদ বারেং ১ থক ইহুন লন্দন্দ ফোংব কাংলোনগী (সাইন্সকী) চেফোংসিংদ হাপখি। বারেং ২ অসিন সি, ভি, রমনবু ব্রিতেনগী অচৌব কাংলোল্লোয় (সাইন্তিস্ত) লোদ' য়েলীনচিংব কয়াদগী থাগৎ-রাহৈ করা ফংহনব ঙমখি।

রমন ইফেক্ত : ১৯২১ দ রমন কলকত্তা ইউনিভরসিতিগী মহুৎ সিন্দুনে ব্রিতিস লৈপাকসিংগী ইউনিভরসিতিসিংগী কংগ্রেস ১ য়াওব চৎখি। মসিন ইংলেন্দ চৎপগী অহান বখোঙচৎনি। লাইপোক হায়বসিদি হোৎনবগী মঙাল অম ইতৎ তত্তন লৈ, মঙাল অচুন থেংলু য়েংলুব পোৎ অচু সনা ওন্নি।

মুমিৎ থান চৎপ উরগ মলিয়া ফম্বালচান মুমিৎকী চহি (সোলার ইয়ার) থাগী চহি (লুনার ইয়ার) পুথোকখি। নিউতোন্ন হৈতুপ তারকপ উবগ চিংসিন্নবগী কাংথুল (লো ওফ গ্রেভিতেসন) পুথোকখি। ভারতকী তাঙলব কাংলোল্লোয় (সাইন্তিস্ত) সি, ভি, রমন্ন ইংলেন্দ চৎপদ মেদিতরেনিয়ানগী ঈপাক লানংদ ঈসিং ঈমায়গী কা হেন্ন হিগোক চংব মচু অচু উখি। ঈপাকী (সমুদ্রগী) ঈসিং থক হিগোক ওইদে, সোক্কৎলগ য়েংলবদি তরু তকবনি। অচুবু অন্নব ঈসিংগী মচু হিগোক চংলিবসি করিগী নো? মরম লৈতন মচু ওনব য়াফম থোক্কে। রমনগী বাখলদ অঙকপ অসি লাকখি, হোৎনবগী ঈথিল পোকখি, হোৎনবগী মঙাল অচুন কাইনথংদ "রমন-ইফেক্ত" পোকখি।

রমন ইফেক্ত করিনো :—হিগোক মচুগী ঈসিং ঈপাক উরুবদগী সি, ভি, রমন্ন কলকত্তাদ হন্নক্রুগ 'মঙাল' হায়ব অসিন মহি ওইব অমদি মঙালন কাওদোক্লুন চৎপ ডম্ব উন মতুমঙম্ব মপাংগী সরুক্ত থোকহন্ব 'দিফ্যুজন' অসিগী মরমদ খিজিনব (রিসার্চ) হৌখি। হোৎনবগী মঙাল ওইন 'মঙাল' হায়বসিন অসিগুম্ব পোৎসক্ত চংখিবদগী ওইরকপ তোঙান তোঙানব মচুগী কাংলোন, স্পেকত্রম অচুন মচুগী তোঙান তোঙানব

লাইন থোকহনবগী কাংলোন অমদি তোঙান তোঙানব পোৎসক অনৌব মচুগী লাইন তোঙাম্ন থোক্লকপগী অমদি অমগ অমগগী মচু মাম্নদবগী কাংলোনসিং পুথোকখি। কাংলোনসিং অসি ১৯২৮ দ কোং-দোকপ হৌখি। মহাক্কী অনৌব পুথোকপ কাংলোন অসিন মালেমসিংগী চাওখৎলোন্দ অঙকপ ফংন তুংলমচত্ত খুদোল তম্লকখি। 'রমন-ইফেক্ত' হায়রুন মালেম সিনব থুংন তম্লিবসি লাইপোক অসিগী মমিংদগী থোনখিবনি। মালেমসিংগী খ্বাইদগী ৱাংব মনাসিংগী মমুংদ ১ ওইরিব ইকাই খুম্নবগী মনা 'নোবেল প্রাইজ' ভারত মচাগী মমুংদগী অহানব ওইন কাংলোনগী তাইবংদ ফংখি। মুঃ ২০০/- থক্তমক চ ব খুৎলাই সিজিন্নহন রমন-ইফেক্তপু মালেমদ মসক তাকপ ঙমখিবদ মা-লেমসিংগী অচৌব কাংলোল্লোয় (সাইন্তিস্ত পুম্নমক সি, ভি, রমনবু লাইপোক্নি হায়নব হৌখি। অমুম্ন লাইপোক ওইখ্রব রমন মালেমসিংগী অচৌব কাংলোল্লোয়সিংগী (সাইন্তিস্তসিংগী) মরক তিনখি।

লাইপোকসিংদি মসাগী সক্তম ঙাকই

মালেমসিংগী অতৈ লাইপোকসিংগুম দাঃ সি, ভি, রমনসু মসাগী সক্তম চপ চান ঙাকখি। ইন্দিয়ান সাইন্স কংগ্রেসকী চহিগী মীফমদ কাংলোনগী মরমদ সুকখঙ খঙদব, হৈসু হৈতব, সেমসু সেমগত্তব, পোলিতিসিয়ান অমন হাংদোকনি হায়রকপদগী দাঃ সি, ভি, রমন চৎখিদে, মীফম অহু য়াওব লাকখিদে। মহাক্ন মীফম লিন্নিব কাংবুদ থিন হায়খি— 'মালেমসিংগী করম্ন মফমদ রাজানতিরালা অমন সাইন্সকী কংগ্রেস হাংদোকপ য়াওখ্রবগে ? ঈসান ঈসাগী সক্তম ঙাক্ন চৎলিব সাইন্তিস্ত অমন সুকখঙ খঙদব পোলিতিসিয়ান রাজনিতিরালা অমন রাজাও ভাংলকপহু করম্ন ফমহ্নন তাব ঙমগনি।"

অমুম্ন করিমক্ত খঙদব রাজনিতিরালান সাইন্স কংগ্রেস অহু হাং-দোকপগীদমক সাইন্স হায়বসিগী সক্তম কম্নব দাঃ সি, ভি, রমন মীফম অহু য়াওখিদবনি। লাইপোকসিংদি মীওন্দ নপচদে, মীপান তাংদে, মসাগী সক্তম ঙাক্ন চৎলি হায়বসি দাঃ সি, ভি, রমন, নোবেল প্রাইজ রিম্নর, ভারতকী তাঙলব লাইপোক অসিন মালেমসিদ উৎলমখি। *

ম্লেপাক ব্রাবু তুংওইনরবদি

> কংলৈপাক ব্রাংমগী লাতম
> —লাতম অসিদ ফোংদোকপিরকপ
> মত খুদিংমক অইব মসাগীনি।

কংলৈখোল লা/২৩০১
মনিপুরি সাহিত্য পরিষদপু
পি, ভাঙোম্ব নিংথেমনা তেমসিংনবা ব্রারোলনা
ময়েক সেংনা তাক্লি। কংলৈ ঈনাৎ হিংবগী মায়োক্তা

মনিপুরি সাহিত্য পরিষদনা তম্নলাই সারে। লাইহৎলোন সোনব মথৌ তারে। মনিপুরি সাহিত্য পরিষদ কৌবা নংসে কংলৈ থুম্নাইদগী মাংখ্রো, মুৎখ্রা, তুমখ্রো, নহলফমদা হল্লো কংলৈচাসিংগী য়াথংনে, ইকাইব খঙঙো, অচুম্ব তৌ + ও॥০।

ইকাইব খংঙো :—মনিপুরি সাহিত্য পরিষদ হায়ব লোন্দাসে মীতৈ ঈমানদি মসিবু মনিপুরদা লৈন্না হুই হায়রিব্রা, হৌদোং হায়রিব্রা, য়োংবু হায়রিব্রা, খঙনা স্নুকঙম ভমদ্রব লোন্দা পুদাস্নু অমনি, মতমগী লৈঙাক লোয়সংনদি ওম্বোক্লবু ইকাই খুম্নরিবা, নিংথৌ লাইবক য়ুমদিন্নবা লুপ কংলৈ খুম্নাইসিগী লোয়নসিলোন কন্নাগী থৌদাং সরুক চাউনা য়াবিরল্লবা লুপনি। অস্নুক মমল নাইখ্রব লুপকী থৌপুবসিংনা কংলৈচা পোকপী ঈমাবু মসক থংলক্লরদ, থংহন্দব য়াদব মতাং যৌরক্লত্নন পি, ভাঙোম্ব নিংথেমনা কংলৈখোলদা পরিষদকী থৌবুবসিংবু মমিত্তা খুদোম্বীন থিন্দুন মনা লৈহ্না কংলৈচা পোকপী ঈমাবু মসক খঙজনব তেমসিংনহন লাম্বা তৌব হৌবক্লবনিন পরিষদকী য়াইতোং থুনদোংবসিংন কংলৈ খুম্নাইদগী লেমজনিংঙাই লৈরকওইদবা, খোংকম চেৎলোইদব মসিগুম্ব কয়া ঐনা উরহ্নন মতম সাংনদী অথঙ অহৈ সাহ্নন য়ারল্লব, ওইদবন ওইব হৌনদে হায়ব অহল য়াথংবু থংসিন্নদ্রব পরিষদকী থৌপুবসিংগীদমক থল্লুবদ ঐহাক য়াম্না ইকাইদোরে পরিষদকী থৌপুবসিংদি ইকাইরোইদ্রা ?

ঙসি নোং কুমজা ৫৭ সুরক্লব লাইনিংহল নাউরিয়া ফুলোগী য়াকাই-রোলদগী মেক মলাইচাসিংন মিকপ থোক্লহন মাইকৈ মাইকৈদগী ফুরুপ কয়া কয়ান কংলৈ খুমাইগী ওইব ইনাৎ ইহৌসা লাইনিং লাইসোল ইরৈবাক ইরমদমগী লোন মমেক কন্দব যাত্রবনী হায়ন সিব হিংবগী ফিরাল মখোংদ চংসিল্লরক্লিব মতম, ইচুম চুম্নব খোংজংসিংব মনিপুরি সাহিত্য পরিষদন তম্নলাই সাহ্নন কংলৈ ইনাংপ সিংনরী। কংলৈ ঈপ, ঈপা-সিংদা য়ুম্নাই, উমংলাইগী লৌগ'ল্লান শঙব অমন্থং লমলাই তম্নলাইগী লাইহুংলোন খঙবা মীতৈ মাই'চৌ থাযনদগী লৈরক্লবনি। ঙসিসু লৈরম-খিগনি। লৈপাক রাবু তুংওইনবা লন্নাইরানা মাংওইনবা লুপনা কৈদৌ-সুংদা লৈবাকী মপী মপা ওইনা লম'জিং মৈরা পীবা ওইথাক্রোই। মরম অসি লৈবনা কংলৈ খুমাইদগী মনিপুরি সাহিত্য পরিষদ নং মাংগ্রো, মুংগ্রো; তুমগ্রো, নহনফমদা হনলো, কংলৈচাসিংগী মযাথংনে। ইকাইব খংঙো অচুম্ব তৌ + ও'।O।

অপোকপ ফুরুপ্ন মমি সাম্লকপ :

ঙসি চহি ৩০ গী চাংদা লৈবাক হুপ্না মসিং নাইদব মীফম কযা কয়া পাংথোক্‌না মীতৈ মযেকী মরমদ নৈননিংঙাই হৌনবি নৈনরব মতুংদ ইকাই খুম্ননিংঙাই ওইরব কংলৈ লৈঙাক লোয়সংন য়ুম্ন মসক খঙলহন (Meetei National Alphabet মীতৈ মযেক্নি হায়ন নোংদম নোংথাইবিগ্রব, কংলৈ খুমাইগী মরল ওইন কংঙমদ্রব লনবু ফংজপ্রবনি। অহুদ সুংঙাইত্রবদি লৈপাক নিংথৌন হুপ্লব লৈপাক রাগী মায়োক্ত অপোকপ লুপকী থৌবুসিংন কেস হেক তৌসিন্দুন মযেক চংপদ অপনব পিব, সেল তিংন তৌব ঙম লুপ অসিমসু করম্ব মথলগী থৌবুবসিংনো রাহং লাক্লবনি, কজগ্রব লাইনিংহল নাউরিয়া ফুলোগী রাখল মৈরা থাঙল মঙাল লৈরব থাদসু মাইহিং কাষ্ট হায়ব পাওরৌদ মচা মনাই থৌবুবসিংন থোকহলব হায়বহুনি। লৈপাক রাবু তুংওইনব লমাই রান্

মাংওইনব হায়বসিতন লংজতুন মনিপুরি সাহিত্য পরিষদগুম্ন অপোকপ কুকপস্থ কাংলৈচা থুম্নাইগী মপী মপা ওইন লমজিং মৈয়া পীব ঙমগনি হায়ব থাজবগী মমি সাম্লকবনি ॥০॥

মতাংসিদ কংলৈপাক থৌসিনকোন নীংসিংদব ঙমদে : - লৈপাক য়ান মাংদ, লম্নাই য়ান তুংদ চায়বন্থ থংন লৈঙাক লোয়সংবু ইকাই থম্নন. থকসি থাসি নাইন পৃযাগী লিকলম্ন যুক্ষম ওইন থিজিন হুমজিনব কনব ওজা নাইব তেনব, অহল লাগন মসক থঙন, মীওইব থুম্নাইবু থক থা থোম্না হুংসিব থঙব কংলৈ থুম্নাইবু পরিং পথাপ কাযদনব, সেমজিন সাজিনবদ পুকচল সেংন থৌদাং পাংথোকপ লুপনি হায়ন ঙসি মালেমগী কংলৈচাসিংন সোম্নরক্রিবসে থবক থৌরমন মী মসক তাকই হাযব অতুওম্বনি। কংলৈপাক থৌসিনকোনগী থৌবম থৌদাং কয়া হিংলকপসিন কংলৈ থম্নাই হিংলগনি হায়ন চেংন থাজনবি।

য়াবোইসিনদ : -ঐথাযন কংলৈপাক্কী য়াংমদ লৈজরবম্ব য়েক সলাইগী তৌনবী ইনাং, ইচৌসা ইরৈপাক, ইরমদমবু মুংসিব কাউব লৈতবন মরম ওইতুন থিজিন ভমজিন্নকপদ মপী মপা লৈত্রবগুম্ন লৈথা তারক্লব লংলা লংজিন থুপথ্রব কংলৈ থুম্নাইসিগী ওস্থোক হুন্থুব থৌরম থৌদাং কয়াবু নিংহম্নব লৈতন মায়োক যাবিরিব ইকাই থুম্ননিংঙাই ওইরব লুচিং-পুরেল সিদ মনাই অতাংব ওভা কাংজিম্না ম্লাইতোংব লোয়-নন থৌসিনকোনগী থৌগল লুপ নাহা পাথৌ চম্নরাসিং পুম্নমক্কী মকাদ ইকায় থুম্নবগ লোয়ননন পুকচেল তিংন পীনীডাই খুদোল পোংতি, কংলৈ-পাক থৌসিনকোম্ন কংলৈ থুম্নাইগী পী-পা সক্কন লমজীং মৈয়া ওইব তারে হায়ব ওাইৈ সিমখক্তনি।

—লুম্নাংচা নোংথোনমম্নুম অঙৌ পুথিব

মথং থৌবু (Vice President)

উমংলাই ঙাকসেন্নুপ-থুনৌ,

ফুলেরতল--কসার।

খুদ্নক্কমগী ৱাহং-পাউখুম

(সলাই পুন্সিফম সংলেন্দ নোংমাইজিং খুদিংগী কুম্ন লাই-খুৎমগী থৌরমদ ৱাওব 'খুৎম-ৱাহং নৈনব' সরুক্কী লৌখৎচরকপ)

—খোমলংচরিবসিং :—

চা খাব অমস্তুং চন্নু নোংলৈম

১৩১ সুব খুৎম (চৈচৎ : ১৬ ১১ ৮৬ ইং) :- (i) সনামহী লাইনিং চৎলিব লাইনিংলোয় অমন লাইপক কৎপগী তৌ-পরোন অমস্তুং থাবরোন করম্ন ঙাক্কদগে ? (ii) ৱাহং পুথৎপ অসেমচা ফৈজাউ মোইরাং সামুরৌ (iii) নৈনব্দ সরুক যাখিবসিং —নিংথোল খোইবী লৈম, চা চাওবী চন্নু চনিংখোম্বী অমসুং ৱাতম্বীব খুৎম-ম্নাইতোংব।

লৌখৎখিব পাউখুম : পাংথোক্কদব কাংলোনসিংবু মীতৈ পুৱান 'তোপরোন' কৌই। লাইপক কৎপগী তোপরোন হায়ব্নগন লাইপক কৎপগী কাংলোনসিং অহুবু খঙনগনি।

(i) অহানব লাইপক কৎপগী কাংলোন্দি থোঙ লৈপাক তান্ত্রিবৈঙদ মালেম লৈবু লাইপক ময়াইদ য়েংকী খুৎনিংথোন থাঙ্গৎহুন কৎপ অসিনি। মহাক্কী তম্পাক্ত থৌরায়পান্নব পুম্নক পোক্লিব মসাদগী ওইখিব মনা মসিং চাহুন হিংব ওমহল্লিব, লোইবস্নু মঙোন্দ তিনগদৌরিব ঈমা মালেম লৈম অসিগী সিংব ওমলরোইদব লমলবু মালেম লৈদ খোঙন নেৎ-ত্রিবৈঙদ হাম্নন লাইপক্ত থাঙ্গৎচহৌবসিন লমন মাচেৎ সিংনৈ। অম্নম্ন মালেম লৈবু লাইপক্ত থাঙ্গৎচৈ হায়হুন লৈ-কৎপ কৌই। মসিন লাইপক কৎপগী ইহান হানব কাংলোম্নি। (ii) মথংদ মালেমগী মতুম তাব

দক্তম্ব, মমি তমছুন খুৎনিংথৌন মালেম লৈসাগ লোয়নন নোংমগী ঈক নাদেং লোইরব মতুংদ লাইপক ময়াইদ থাজংতুন থিল্লিব 'নমসা' অসিনি। নসিবু সনামহী লাইনিংন 'পক্লৈ নমসা' হায়ন কৌই। (iii) মথংদ লাইফম চংবদ, লাইসং কাবদ, লাইগী কম্বাল থৌগল চংবদ, লাই-ওইরবসিংবু থৌগল্লোন উৎপদ চৎলিব লাইপক কৎপগী কাংলোন অসিন মী খুদিংমক্কী হকচাং অসি অসেংব লাইসংনি ভাকপনি। পুম্নমক্কী মপুন মীওইব খুদিংদ চংহুন লৈ হায়বসি কাউদনবনি নিংথৌনসু মনাইদ খাঙন সোকপদ লাইপক কৎলি।

মরম অসিমক্ত সনামহী লাইনিং অসি য়াম্ন ফজব মীওইবগী মরক্ত অচৌ পিসক খায়দবগী লাইনিং খুদিং মক্ত ভমজফম ওইব মিংন উব ফিদম য়াওরি হায়হুন রাখল্লোন ফোংদোক্লরিবনি।

(v) লাইপক কৎপগী খাবরোন হান্নরগ ভৌহৈদব থবকসিংবু থঙনৈ। খাবরোনগী অসম্ব কাংলোন্দি লাইগী কম্বালদ, লাইগী য়া-থাকফমদ, ঈমা ঈপাদগীন মালেমদ হেক পোক্লিব মীওইব পুম্নমক্ত, লাই চৎপ হৈ-লৈ-ফিরোয়-ফিজামদ অমদি মালেম লৈদ লাইপক কৎলমদন খাঙন সোকহৈদে। মীমাংদ, অহল লমল মমাংদ খুন্না থাজতুন উৎফদে। মীরক খায়হুন চংবদ খুৎন খোঙবু মচি অম খুমজিম্লুন খুৎন মাং থারগ মীরক খায়হুন চৎলিবসিনি, খোঙ খুমদন গ্রোং গ্রোং চৎফদে। খোঙউপ খুকম য়াওন মীগী ঈমুং মমুংদ চংফদে। ভৌরোইদব কয়াসিন খাবরোনগী নক্কনি।

১৪৫ স্থব খুফম (চৈচৎ: ১৫-২-৮৭ ইং):— (i) মীতৈন নম চৎথোক্লমদাইদ মমা ওইবীসিংন কোক-জুদ মনম নম্বী-হৌই, মসিগী নুংগী কাংলোন করি ওইরবনো? (ii) রাহং খুথংপ—রাংলেমচা য়াইথোম্ব, চিংঙা মথা (iii) নৈনবদ সরুক য়াথিবসিং-দু চনিংথোম্বী, চন্নু নোংলৈম, চা চাউবী, চা সামু অমমুং রায়েনব কম-য়াইভোংব।

লৌখৎখিব পাউখুম—(i) সনামহী লাইনিংগী পুন্সিরোন মচাগী কাংলোন্দ শুমিদাং তুম্বদ ঈমাগী পীবুকন্নুংদ রাখলন চংন্নন তুমখুল তান খিবদ লাই-তীল, কত্তব মং-হা চোংন্নন মংলারুন্নন সিব, মীগী পোং-সেম থোৱাং, লাই থাজিন্নকপনচিংব পুন্নমক্তগী ভাকথোকই। (ii ঈমাগী পীবুকন্নুংদ লৈরিভৈদ মপানগী কত্তব লাইতীল অমত্তগী সাহুম চংদে। (iii) অহুগুম মুংগী কাংলোন অহু লৈব মরম মচা ওইব ওইবীসিংন লম্নক্ত চংলমদাই, নারক মোংসোং চংলমদাই অমদি অরাপ্পদ চংলমদাই মতমদ মমা ওইবীসিংন কাংলোন খঙন মসাগী পীবুকন্নুংদ মচাবু চিং-জিনজরগ লাই তীল ফত্ত তৌথি পুন্নমক্ত সোকপ ভমদনব ভাকথোক-পিরিবনি। (iv) অহুবু মুংগী কাংলোন অসি মুন্ন খঙজ্রবদি চুন্ন মনম নম্বনদি কান্নবসি ফংলোই।

১৫০ সুব খুকম (চৈচৎ: ২২-৬ ৮৭): – (i) লাইথৌ পাং-থোকপদ নাহেরোল সোন্বদ তাইবেল পুংফাই সিজিন্নবিব অসিবু মুংগী ইচেল করি লৈবগে? করি কবি মতিক মন্নাই লৈবননো? (ii) রাহং পুখৎখিব—রাহেংবম চা অরাব, পাং-সোই পার্ত তু (iii) নৈনবদ সরুক য়াখিবসিং— নিংভোল ভানথোইবী, চা নিংথেম, চা থোইব অমসুং রায়েনব – খুফম-য়াইতোংব।

লৌখৎখিব পাউখুম: – (i) লাইগী থৌরম তৌবদ খ্বাইদগী তোয়ন চংব পোং অসি তাইরেল অমসুং পুংফাইনি। তাইরেলন মতোন্দ মনা ৩ লোংবনি, পুংফাইন মতোন অনৌব থাদন মনা ৫ (নাকন নামদ ৩+নাকন নামদ ২=৫) লোংবনি। (ii) তাইরেলগী খুৎলোং ৩ ফাংবন মৈ-ঈসিং-মুংসিং শুং অমসুং পান তাইরিব পোং-সক ৩ অসিগী মসক্নি। পুংফাইগী খুৎলোং ৫ ফাংবন মৈ-ঈসিং মুংসিং কী কাবুদ মপুং ফান লৈপাক-অত্তিয়া ২ অসি য়াওরগ মীওইবগী থৌরাম ৫ ওইববু খঙহল্লি। (iii) তাইরেল পুংফাই ২ ম লাইথৌদ মরু

—মখাদি চেখুম মনিংদা

নুপীগী
লাতম



নিংতম ভারত চহি ৪০ সুরে

(চন্নুরাসিংদা নীংতম্লব্রা ?)

আগস্ত ১৫, ১৯৪৭ ইংদ ভারত নিংতমখিবদগী ওসিদি চহি ৪০ সুরে। মহাক্কী থুংঙাইব কোংব ওইন সান্ন থোকনবগী থৌরম্মচিংব লৈপাক কয়াদ থৌরাংনল্রে। লোইলম লৈঙাক লোইসিনখিব ওদ্দগী চাউ-থোকচবহু ভারত মচা খুদিংন পোক্লখি।

চন্নুবাসিংদি সরুক যাখিদবরা ?

ব্রিতিস লৈঙাক্ক ভারত থাদোকখিব ওসি চহি ৪০ তমক ওাইরি হায়বসি চুম্লবসু ভারতকী নিংতম্বগী ফিরাল চিংখৎখিবদি চহি ৬৭ কা থা ৮ সুরে। খ্রি ১৯৩০ গী জানুয়ারি চৈচৎ ২৬ ত রবী তুরেলগী তোর্বান্দ মতমহুদ কংগ্রেস প্রেসিদেন্ত ওইখিব পন্দিত জবহরলাল নেহরুন হুমিং অসিদ ইহান হানব ভারতকী নিংতম ফিরাল চিংখৎ-খিবনি। মহু মতমহুগী কংগ্রেস রার্কিং কমিতিগী রারেপ অমগী মতুংদনি। ইসান লাউথোকচব নিংতম অদুগী ইকাই খুম্নব ওাক্লনব ভারতকী মথৌনা ফরবী চন্নুরা কয়ান সরুক য়াখি।

চন্নু প্রিতিলতা :—চিত্তাগোংদ লৈব ইউরোপিয়ানসিংগী ক্লব অদুবু ভারতকী মমোম চন্নু প্রিতিলতান লাল ভাখি। প্রিতিলতাগী মপুং ফাব মমিংদি প্রিতিলতা বাদ্দেদার হায়বনি। লৈঙাক মপু ওইরিব ইউরোপিয়ানসিংবু ফোংন লান্দাহুন ভারতকী নিংতম্বগী থম্মোয় ফোংদোকপ হৌখিবা প্রিতিলতা বাদ্দেদারবু চহি ৪০ সুরব নিংতম-ভারতকী মীয়াম নিংসিংবিজি।

চন্দ্র বিনা দাস :—ভারতকী নিংতম্বগী থৌনা কলকত্তাদ চন্দ্র বীনা দাসন কলাক নিকহনব থৌথোক থোকহন্দুন উৎপ হৌরকখি। কলকত্তাগী কনভেন্সন হোলদা চন্দ্র বীনা দাসন ব্রিতিস লৈঙাকী গভর্নরবু নোংমৈ মরুন কাপথুদুন নিংতম্বগী থৌদাং চাউন য়াখি। মপুঙ্গি কংথোকপগী মপান নাইত্রব থৌনা উৎখি। অদুবু কনান চন্দ্র বীনা দাসপু নিংসিংবিরিবগে ?

চন্দ্র সুনিতি অমসুং চন্দ্র সান্তি :—চহি ১৪ রোমত সুরিবী চন্দ্র সুনিতি অমসুং চন্দ্র সান্তি ভারতকী তাংলবী চনুরাসিংনি। লৈসাবী অনি অসিন কোমিলাগী কলেক্তরবু মলাগী বাঙলোমক্তদ নোংমৈন কাপ্তু ন হাৎখি। নিংতম্বগীদমক মপান নাইত্রব কৎথাকপগী থৌনা অসিবু কনান মতিক চান ওসি মমল পিবিরিবগে ?

১৯০৪ গী নুপী লাল :—কংলৈপাক্ত ৯০৪ দ ওসিদগী হঙৎন থিবদ চহি ৮৩ গী মমাংদ ব্রিতিস লৈঙাকলোয়সিংগী মফমদ হৌখিব কংলৈ চনুরাসিংগী "নুপী লাল" তসেংব নিংতম্ন হিংগনি হায়বগী লাল্লাউনি। যূম সানব মচাকসু পুরকউ, যূম সাবসু ওইরুলাউ হায়ব কংলৈ নুপাসিংবু মীনাই ওইন থারকখিব পাউখোলচুদগী কংলৈ নুপাসিংবু মনিং তমহনখিব ১৯০৪ গী নুপী লালনি। কনান চনুরাসিংগী মায়থিদ পিবিনব লৈথিত্রব নিংতম্বগী লাল অদুগী মমল পিবিরিবগে ?

১৯৩৯ গী নুপী লাল : তৌনিংবত তৌব লৈঙাক, ব্রিতিস লৈঙাকপসিংগী ওকচাও থেকপ পুম্নমকপু সীংনদুন অমদি নিংথৌ চুরাচান্দগী মাইওক্ত চংসিন্দুন হৌখিব ১৯৩৯ গী নুপী লালনি। জেলদ অরাকম কয়া তাখি, সঙ্গিন কয়া থিনখি, ঈ কয়া সিত্থি, ব্রিতিস লৈঙাকলোয় কয়া মনা পায়দুন চৌক্রিদগী চিংথখি, মুংসাদ কয়া কৌখি। নিংতম্ন হিংগনি হায়বগী অচৌব কৎথোকপ অদুগী নুপী লালনি। অদুবু ভারতকী মীহৌরোন্দ থোৎচিন্দুন থম্মি।

চন্দ্ররাসিংবু নমথরিবরা ?

মপান্দল সোনবী, অকা অপুল কয়া থম্বীরবী চন্দ্ররাসিংন অন্তুক থাক কংথোকপগী থৌদাং লৌথিবদ সিংথাবিনব মতিক চাব মীওই ফোংথোকত্রিগসিবু করিগীনো ? মপীবু নমথত্তুন থমনিংবগী বাথলা ? মথৌনা কুদোকচবদি ওমজংদ লাইরিক হৈবনি হায়ত্তুনদি পোংজব মুপা কাংলুপ অমন মথোয়গী অশোনবচং চাংদম্নবদ ইকাইজক্তুন সিংথাবিনিংদবরা ? অনেংনমক মপীসিংগী মায়পাকপবু হন্থন য়েংবগী থম্মোয় পিকপ্রব পুকচেল চেম্বরজাংলা ? নত্রগ ইচম চম্ন 'ঐত হিংলগ লোইরে' থন্দুন পংলেন লেম্নবরা ? অমদি লৈরে।

ইন্দিরাগী মতম :—য়াম্ন থৌনা লৈন অচৌব বেঙ্ক কয়া নেশনেলাইজ তৌব হৌগংলম্ব (লনাই ওইরম্বদগী লৈপাক্কী ওন্থোকপ), লম থোমজিনব তকথোকপ, লৌগীদ লম পিব, লম লৈজদবদ লম পিব, লম লেম্ন পায়সিনবসিংদগী লম লোথোকপ অমদি থল্লুবদ থাজনরমদব অচৌব খোংথাং কয়া লৌব হৌরকখিবী ভারত লৈপাক্কী অহানব তাংকক্তি ইন্দিরাগী মতম অসিনি। ইনাক থনব থুজোক অমন লাইরব ফ্রোর কয়াবু চাথত্তুন পানব ভারতপ, মসক ওলহম্নব, মাম্নব থুনাইগী তাংকক মচা অমক্তু পুখংপ হৌরম্বসি ইন্দিরাগী মতমদগীনি। সিথসিংগী অকনব ইরাং-লৈরব ফাওবদ মসাগী গার্দ্ত সিখ লাম্মীসিং য়াওহনখিবী লাইনিং পুম্নমক্কী মখল থুদিংগী মীওইসিংগী খেম্নব থমদবগী অচৌব থুদম উৎলম্বী ইন্দিরানি। মসাগী গার্দন কাপ্পুন হাংখ্রবম্ন সিখ ইচিল ইনাওসিংবু মসাগী গার্দ ওইন থম্বদ চিংনব লৈখিদবত্তুনদি মথৌমা হব অমদি সেকুলরিজমগী থুদম অমনি।

থৌনাকবী চন্দ্রা হুম্ন হুম্ন মসীং নাইদন পোক্লিব ভারতকুম্ব লৈপাক্ত চন্দ্ররাসিংগী কংথোকপগী থৌদাং কয়া মীয়াম্ন থৌওইনদবসি মসীং নাইদন পোক্লকখিগদব চন্দ্রা মসীংত্তুদগী নিংহম্নহনব ওইত্তুন মসীং হুম্নহুম্নবগী

লম্বী ওইগনি। ইন্দিরা গান্ধিগুম্বী প্রাইম মিনিস্তর ওইব ঙমখিবী মখোয়না লৈবী অমগীদি মফম থক মাংলোই। মপান নাইদন কং-থোকপগী থবক তৌখিবী মীচম চন্নুরাসিংবুদি অন্নুম চিংখৎপিদন থম্নসিন অনৌব চাওখৎলোন সেম্বদ মাঙজব কয়া লৈগনি। হেন্ন হেন্ন মখোয়না লৈবী চন্নু পোক্লনবব মতিক চান সিংথাবিগদবনি।

অউনপোৎ য়ামদবগী হাৎপ

ওন্ন তৈনবদ মীরৈবাক মচাগ লাম্বা তৌজব ঙমজিব মখোয়না লৈত্রব ভারতকী মুপা কয়ান মুপীগী অউনপোৎ থক্তন মপক্লিত্থ হিংগনি থন্দুন অউনপোৎ য়ামন উনজব ঙমদবী চন্নুরাসিংবু মসাগী মুপী ওইন লুহোংত্থন লৌরগ নমত্থন অউনপোৎ লাংহুনবদ ঙমদবদগী মসাগী মুপীবু কিহল্লি, হাৎলি। ইমুং মন্নুং মান্নত্থন অউনপোৎ য়ামদবগীদমক মুমিৎ থুদিংগী ভারতকী চন্নুরা কয়া হাৎপ তোকত্রি। ভারতন নিংতম্ব চহি ৪০ সুরব-ফাওবদ ভারতকী চন্নুরাসিংদি নিতম্ব ফংত্রি।

ভারতকী নীংতম্বদ চন্নুবান্নু যাওফম থোকই

মুপীবু হন্নন যেংব ভারতকী চৎনবীদ মতম সাংন লাকখিব মরন্ন ঙসিফাওবদ ভারতকী মুপীসিং নিংতম্ব ফংদবনি। লুখ্রাবী মৈ থাদোকপ; অত্তাং ওইরিদ্রৈ লুহোংবিরগ মুপামচাম্ন সিথিবদগী মযুম মুকপান পান্দন লুখ্রা ওইহন্দুন মপুন্সি চুপ্প লুহোংহন্দব, লুখ্রাবী লুহোংব য়াহন্দব অসিনচিংব মুপীবু য়ান্ন হন্নন থনবগী ফত্তব চৎনবী মযাম অত্থগী মহৈন ঙসিফাওদ্দ মুপীগী নিংতম্ব কনামত্তন সাগৎপিত্রি।

ঙসি ভারতন নিংতম্ব চহি ৪০ সুরকপ, মপুং ফারব নিংতম্বগী চহিরোন য়ৌরকপগ লোইনন ভারতকী মুপীসিংবু মখোয়না হাম্নিব, মখোয়ন তৌজখিব থৌদাং মতিক চান সিংথাবিব অমদি লৈত্তাকলোন্দ মখোয়গী মতিকচাব সরুক হাম্নিত্থন হেন্ন মখোয়না লৈবী হেন্ন মতিক-চাবী হেন্ন কংথোকপ ঙম্বী চন্নুরা কয়া পোক্লনবগী লম্বী সেম্নগৎলসি। ভারত মচা পুম্নমক ভারতকী সেংলবী চন্নুরাসিংন পোক্লিবনি হায়রসি ঙসিদগী নিংসিংলসি। +

তিংহৌ সাজেল

কৈথেল্লাকপমচা চাউবী

"তীংহৌ সাজেল" হায়বসি পুন্সিরোন মচাগী কাংলোন্দ তাংকক অম ওইন য়াওব পুন্সিরোনগী সাজেল অমনি। সাজেল অসি মলাই কাংলোন সিন্দমসংগী পুন্সিরোন লাইনিংগী ৫ শুব সিদ্ধান্ত (ফিফ্থ স্তেন্দর্দ তা) সিন্নম পাবেংগী (সিলেবসকী) মতুং চন্ন তম্বীরি।

সান্নবগী মতম:— (i) তীংহৌ-সাজেল অসি অয়ুক য়াহৌরকপগী সাজেলনি; খোঙ লৈপাক তাত্রিদুনা মালেম লৈকংত্রিদুনা সান্নগদবনি। (ii) খোঙজেং অমম্মুং থুজেংগী সাজেলন হকচাংগী মতোন থংব অরোয়ব সরুক সিংদগী হৌন সিংলীদ ঈ চেলহনব হৌগংহল্লব মতুংদ ইহান হাম্ন সান্নগদন পুন্সিরোনগী সাজেলনি। (iii) অযুক্কী অঙনম মতমদ পুন্সিরোন চংপ মীওইসিংগী অতম্মন থম্মব ঈসিং চংনব কোন্দ হক্কী ঈসিং সেং-দোকহৌগনি। সেংদোক্লব তুংদ যাহিপ ৫ শুবদ (হায়বদি লোংন খোঙ খুৎ পাংদিং মাম্মন মোন থোদাক্লগ তিংন হিপ্প) যাহৌ সাজেলসিং সান্নব সেম সাত্নুন মাংজোনন লৈরব তুংদ সান্নগনি।

ফিথুপকী মওং:— (i) লোংন তিংন হিপ্লগ ফিথুপ অসিদগী খুৎ ১ মক খুতুম তাসিল্লগ ৯০০ (৯০ দিগ্রিদ) সত্নমদ উৎলিব অম্মম থেকৎলক্কনি। ইরোয়নন খোঙ ২ মকম্মু ৯০° (৯০ দিগ্রিদ) তপ্ন তপ্ন চিংসিন্দুন থেকৎলক্কনি। (ii) মথংদ নিংসা তপ্ন সাংন নাত্তোন্দ হোন-জিল্লগ হকচাংগী অক্নম পুম্নমক খোঙপাক ২ খুৎনিং ২, ৪ অসিতন পুত্নুন হকচাং লোংন ইনথংলক্কনি। (iii) হকচাং ইনথংলকপ মতমদ থুকউগী সরুক অসি সক্তমগী ২ শুব মথান্দ উৎলিব অম্মম ইম্মগনি, থ্বাং-ঙক চাং মাম্নন থমগনি। (iv) পাঙ্গল অমম্মুং কোম্ন নিংসা থিংব ওম্বগী চাং মতুং ইম্ন সেকেন্দ ৫-১০-১৫-২০-২৫-৩০ ফাওব সান্নগনি (v) নিংসা তপ্ন তপ্ন হোন্জোকপগ ইরোয়নন মসীং /i গী ফিথুপ হন-জিল্লক্কনি। (vi) অরোয়বদ খুৎ খোঙ তপ্ন তপ্ন থাদহুন লোংন তিংন লৈগনি।

নিংসা কাংলোম্ন:— (i) ফিথ্‌ুপসিং সাম্নরকপদ লৈপদব নিংসা কাংলোম (নিংসা হোন্দোক হোনজিল-থিংবগী মওংসিং) অহুদি ফিথ্‌ুপকী মওং নৈনব মতাংদ লোয়নখ্রে। (ii) লোইরগ ভিংন লোংন হিন্ন মতমদ থবাক্তী সন্ন পেল্লাং অসি য়ায়মরপ থাদোক্লগ নিংসা ভগ্ন সাংন ৩ লক ৫ রক, ৭ লক ফিভমগী মতুং ইন্ন 'হান্দোক-হোনজিল সান্নগনি।

কান্নব:— (i) ভুমহুন, হুংদ, হনজিন্দুনে অহিং চুন্ন লৈরুব হকচাং অমম্বুং পুক্লিংগী ভীং (হুংদ চংহুন লৈব ময়ান্ন-পাজল) অহু মিকপ থোক-হল্লি, হৌগংহল্লি অমম্বুং মৈসা পি। অহুন পুন্সিরান সাজল অসিবু "ভীংহৌ-সাজেল" হায়ন কৌই।

(ii) ভীংহৌ-সাজেলন হকচাংগী মিং-নাকোং-নাভোন-চীল উন্সা হায়হুন লৈরিব থওব ভগ্ন কযাং ৫ (ফাইভ সেন্স ওর্গান্স) অসি ইনম নমহুন লৈরম্বদগী ভিংগংহল্লি, মথৌ তৌহল্লি।

(iii) হকচাংগী থোউদগী ভোনকাওবদ চেল্লিব সিংলী নাউন্নী পুন্নমক লোক্ন ঈ চেন্দহনব মরম্ন হকচাং সিন থ‌ংন মৈসা পিরকনি। মন্নম অহুন চাং নাইন ভীংহৌ-সাজেল সান্নব পুন্সিবোয় (পুন্সিরোন সান্নব মী) অহু 'অয়ুক্কী ঈকা' হায়নব নারি-সান্নী তৌব (মোর্নিং সিক-নেস) অনাব মথল অসি পাক্লোই।

(iv) পান্থোম মক্ন ২ অসিন হকচাংগী অক্নম্ব পুন্নমক পুব ভগ্ন ওইহনব মরম্ন মপাঙ্গল কনব চম্নুরা নত্রগ পীবা ওইহুন মতিক চাব হকচাং ওইহল্লি পান্থোমগী মকল(মসল) নিংথিন সেমগংপ মরম্ন পুন্সিগী থৌদাং য়াবদ মতিক চাব পাজল পি।

(v) থ্বাং অমম্বুং য়াংলেনগী সন্ন পরেংদ লৈরম্ব ঈ কমজিনব, হুংলিং-হুংহম পন্দুন লৈব, সিংলী ফকচিল্লকপনচিংব কোকহন্দুন পুন্সি চুন্ন ভীং-য়াং চুন্ন লৈহল্লি।

(vi) অহল ওইরক্লব মতমদ থ্বাং কোনব, য়াংলেন পোল্লকপন চিংব অনাব মথল থন্ন লাক্লিবসি পুন্নকোক কোকহল্লি।

মথাদি লমাই ২৪৮৩ দা

চে-ইগী লান্তম

মস্ত ফোংদোকপীরকপ মতমদ য়াম্রিমখৈ তেম্র তেম্র কোংদোকপি-রকউ। সাংমনবদগী লৌখংপদ থুদোংচাদব কয়া থোক্লে। মসি মরায়ম কোকহনবীরকনি নীংঙৈ। —তেংবাং খোম্রিলাংব।

* ,য়াম্ব খোম্রিলাংব—,

কংলৈপাকী মমল য়াম্রব চেফোং "কংলৈখোল" কংলৈপাকী অমত্ত ওায়রব সিদ হিদাক্নি। মমি সামগ্রব কংলৈপাকী পোরম কয়া, হৌয়ক্লিব নহারোলবু মিং পাংহল্লিব, পারী পুরীগী চৎন পথাপ কংলৈখোল চেফোংন ঐখোয়বু হৌদোকপিরি। মমল য়াম্রব চেফোংসিদ পংলব ঐগী রাখল অমত্তং থমজনিংই, মহৃদি—চেফোং অসিগী মমুংগী রারেং মপুং অম চথরিভৈদ মরক্ত রারী মচা মরী লৈনদব কয়ান থংলি। মসি পাবদ খুদোং চাদব কয়া থোকপদগী ইজবনি। রারী মচাসিং অসি অতোপ্প পাম্বৈন হাপ্পিরবদি য়াম্ন নুংঙাইগনি নীংঙৈ। ননাও ঐখোয়শু কংলৈখোল চেফোং অসি চাং নাইন পাজব চিক্লব লোক্তাক পাংকী ময়াইদ লৈবী থোং লৈত্রব থুজং ঈথৎ অমদ লৈজবনি। কংলৈ-খোল মীওইবন লৈরিমখৈ হিংব ওইরসু।

—সলাম বিনোদকুমার লুবাংচা
বি, পি, ও, কয়াং (খাজ), পি, ও, মোইরাং
বিসেনপুর দিস্ত্রিক্ত, মনিপুর স্তেত।

* ইকাই খুম্নব খোম্রিলাংব—

অদোমগী কংলৈখোল পাবদ য়াম্ন নুংঙাইজে। অতুবু অপাবগী মাইকৈদগী পুক্লিং পেন্দব থর লৈজনদগী ইজখিবনি মহৃদি— ··· অস্নম পাথরকপদ মনুংগী লমাইদ মমৈ মকোক নাইদরে, অতুন অপাব ঐখোয়দ মথাদি লমাই ২৪৮৫ দা

কংলৈথোল মরূপ

শানগায়নব মপীং য়াবশিব অমসুং লায়
লুনা-লৈতানবিবন কংলৈছা এইখোয় লাপথোকরে।



ঙসিদি কংলৈছা এইখোয় মরূ-সিয়ননি 'কংলৈথোল মরূপ' য়াওবীয়ু। অয়াপ-অনক মরূপ শায়বীয়ু। য়াম্নরোম (ফাংদোকনবীয়ু।

1. (i) থনবাজা খোমজামচা (১০); ময়োইবাং উরিপোক লোরবোন খিউল; ইম্ফাল, ৭৯৫০০১;
   (ii) শিন্নরোই; সনামহী লাইনীং; খুদোকপ; মরূপ সাবব; শায়-থোংনব;
   (iii) ঈনাংপু হিংহরীংব; মথল-মথেলশী য়াথল থরীংব; চহুরা অমদি পাথৌসিং,
2. (i) য়ুয়াম চহু কংলৈম (২৪); মঙাং; থাংমেবন্দ লিলাসিং খোংনাংথোং, য়ুয়াম লৈকাই; ইম্ফাল-৭৯৫০০১;
   (ii) শিন্নরোই; পুলিয়োন, কাংলোনশী কজবসিং থিজিনব লৈনব;
   (iii) সনামহী লাইনীংগী মুংশিজব-থিজিনব-লৈনব পাম্বসিং।

কংলৈথোল মরূপ—১৫

(i) মিং-চহি-শকাই-লৈকম ____________________

____

____

(ii) শিনকম হৈনবী ____________________

____

(iii) করম মকমগী মথলগী মরূপ ?? ____________________

____

____

____________________লৈই অসিদ করূপ থাদিয়রক্ট

[illegible] [illegible] [illegible] অ[illegible] সাম অমিন [illegible]থো সাজেল উংলি

[illegible] [illegible]

([illegible]) [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পুম্নমক [illegible] [illegible] পাথরক্লি। [illegible]কোক [illegible]।

([illegible]) [illegible] [illegible] [illegible]-সাজেল অমিন চা [illegible] মাইন সান্নবির [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অম ওইন [illegible] [illegible] মরম্ম "[illegible]" [illegible] [illegible] অম [illegible] [illegible] [illegible] কান্নখি।

([illegible]) [illegible] অথন্নব [illegible] অমন তৌংতো-সাজেল অসি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] সাম্নন সাজেল ওইন মরম্ম [illegible] থুদিংগী চা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। সেকেন্দ থরতমক চংব অতগ কান্নব মহৈদি [illegible] [illegible] [illegible] মরম্ম সুপাম্ম সুপীম্ম মী কনাম [illegible] ঈসাগী চেকসিন্ন সাজেল অম ওইন থম্মদ [illegible] [illegible] [illegible]

Regd. No. RN 34203/79 New Delhi Kangleikhol/Rs. 1.00

Subscriber No.

Name ______________________________

Occupation ______________________________

Address ______________________________

______________ P. O, ______________________

If undelivered please return to the Kangleikhol,
R. M. C. Road, Imphal—795001, KANGLEIPAK.

—লমাই ২৪৭৪ গী মথা

ওইরিবসি লাইগী থৌরম পুম্নক থোরক্ক ও ন পুক্কি ওইনরিব থক খা ভাইনব ২গী মরক্ত পালিব ভাইব্‌.পানব অসিগী য়াইফনবগীদমক্ত তৌব লাইথো ওইবননি। (iv) তাইরেল পুংফাউগী মতিক ময়াইদি যাম্ন সাংগ্রে। লাই তৌ.ত্রন লাইউংনরবদ তাইরেল নত্তন অত্তে পাম্বে অমন ভেথহনব ওমদে, লাইপাউ চেনবদ লাই নোংগাব ওমত্রবদ তাই-রেল্লন কাহনব ওম্মী, ঈপুথো ঈবেনথো তৌংবদিং লাই কাংলকপদ তাইরেল মনা নত্তন ফাথব ওমদে. লাইনাং ভীলমাং প.ম্রমক ভাইরেল প.ংফাই পুল্লবদ তাস্তোকপ ওমদব কৈত্তে, থোংজিন্দ তাইরেল প.ংফাও য়ান্দ্রন থম্বদ লাই ভীল চংব ওমদে—শ্রংসিং চংব মীফাওব চংলকপদ মপাঙল য়াওদে। সাংথাবগী লোইব নাইরোই : (v) লাই থোকপগী লাযনাদ, মৈ পোকপদ, লাইওকপ লাইনা প.ম্রমক্ত, মাগংপদ, য়াং চিংন নাবদ, প.ক্কী লায়না কয়াদ, য়াথলগী লায়না কয়াদ (মেন্তেল এবনোর্মেলিতিজ) তাইরেল-প.ংফাই হায়নিংঙাই কৈত্রব সিদ-হীদাক ঙাক্কনি

এনত্তী, কাংজিয়াব থোয়ী লাংজহন মলাই পুজিকমতীদমক্ত
লীভা প্রিজবস, কাংলম লৈকাইদ নয়গ ইফাসর জোমজোক্কব।